চিংলগী

লৈয়ি

অমতং

02,1 CH
L1;2

চিংলগে লৈয়ি অমতং

"চিংলগে লৈয়ি অমতং" হায়বা লাইরিক অসি ফোংননবগী মণিপুর সরকারনা তেংবাংবীরকপগীদমক্না ইকায়-খুম্নবা উৎচরি।

পিঃ এসঃ চন্দ্র

ফোংবা—

পি: এস: চন্দ্র

নাওরেমথোং. থম্মণং

Jawaharlal Nehru University-Centre of Post-Gr...
Imphal
2681
LIBRARY

কোপী ১০০০,

জুন ১৯৭১

পোল্লুফম লমদম

* * *

ঈমা পোল্লফন লমদম হুংশিবী
তাইবঙ মরুপ থুপ্তুনা ঈংনা চিক্লা লৈন্নিবী
নংগী আমৃত মরিক্লা নচাশিংবু য়োক্লিবী
চায়োক নাওয়োক ফজবী মীহুংশি চাওরবী
চীংলোন মাপন্না কোয়রিগী মণি পরেং শিন্নিবী
অশেংবা ফিজ্রোল শেৎলিবী অঙাংবনা মপান চেন্নিবী
লূপাগী তুংবল কয়ানা ঈংনা থোগল তৌরিবী
প্রকৃতিগী লৈরাং খুদিংনা নাপগী লৈতেং ওইন্নিবী
ফুইনা হোরকপা নোংহোনা অমুবা শল্লাং শেন্নিবী
নোংপোক ভারত লৈমগী মণিগুম লোল্লা ঙাল্লিবী
অকনবা নচা পোকলিবী নীংথবী নমোম হৌরিবী
যুগ কয়াগী ইতিহাসতা লেঙদ্রবা মমি তারবী
অমম্বা তাইবঙ লম্বীদা থুৎশমহনা পুন্নিবী
হে ঈমা পোল্লফম লমদম হুংশিবী ॥

(ধ্রুবতারা)

কল্পনাগী ইণ্টরনেশনেল টুর

* * *

চান্নবী ঐগী কল্পনা
য়েংউ তুউ,
আদ,—
বণ-বণ খুদিংদা
হৌরিবা লৈপালশিংগী মথক্তা
লৈরাং লৈনম নম্ল নম্লহুনা
পাইরিবসে বনগী চেক্লাশিংনা।
নংসু পাইরু,—
কুঞ্জ কুঞ্জ খুদিংদা
হৌরিবা হৈপাল লৈপালশিংগী মথক্তা
হৈনম লৈনম মল্ল-মল্লহুনা
মালং শউম লাংলু !
অমুকসু পাইখৎলু থুরদং রাংনা
অহগা উগনি,—
অরাংথংবা অতিয়াদা
ধ্রুবলোকী মথাদা
ধ্রুবতারাগী মরুমদা
অমুবা নোংহো ময়ামগা
নোংজাবীগী কালুপকা
অকনবা লান শোক্লরি'সে !
কুমগী অকন-অথৌনা
সমুদ্রদগী লাক্লগা

লৈমরি অমতং

অকনবা লাম্বা পাথিবা
কনানবু ঙমথিবগে
মুন্না য়েংলকউ চান্নবী !
অঙ্গা কল্পনা
ছন্দমুক্তি,—
লৈকোল তম্না পাইথরক্লো,—
লৈরাং লৈকা লৈকাদা
লৈহী থক্কদবগী
খোইমু খোইঙাং খিবিক্লা
পাইরিবলক্তা পাইশিল্লু ।
ইকাইথিবী মালিকাদা
খোইমুনা করি হায়খিবা
ওইনচাওবী কেতুকীবু
করম্না পুক্লিং ওলহনখিবা
রাহৈ রাভা কোচি' থাংবী
চিনিচম্প্রা মঙোন্দগী
করম্না লৈহী থকতোকখিবা,—
লোম্না মতৌ য়েংলগা
নাশোল পিক্কা চঙশিন্দুনা
মখোয়গী রারী তারকউ !
অঙ্গা,
অশোমদা লাপ্না—
কৌব্রু লাইজ্জি ওইরপ্পা
লৈচিল মপৈ মপৈনা
মথুং শাংনা তিংথোক্তুনা
থাজগী লম্বী থংলি !
য়েংউ য়েংউ
কৌব্রু চীংগী চীংদোলপক্কা

অতিয়ামক্কা শম্নবা
লৈচিনশিংসে পাইরি চাম্নবা,—
ওঃ
মখোয়বু উরগা
ঐদি নীংশিংলক্লেদো।
মহাকবি কলিদাসকী
মেঘদুত কাব্যগী
মুংশিরবা রারীদো।
মশানৌ কায়নরবা যক্ষনা
লৈচিনদা পাওথাখিবগী।
মুংশিরবী কল্পনা
রারোগন্থু চাম্নবী
নঙোন্দা রারী অহু
লীহৌদ্রেকো ঐহাক্না।
নংনা লৈচিনগী মনাক্তা
পাইদ্রিঙৈগী মমাংদা
রারী অহু শমপৎনা
লীবিরগে ঙসিদি।
তাও কল্পনা—
'অহুঙৈগী মতমদা
কায়ন মৈচাক ফংলবা
কুপ্পগী মনাই যক্ষনা
লৈচিন মাবু চিংন য়েং
লমদম তামনা লৈহৌরবী
মশানৌগী লম্বী তাক্নুনা
কায়ন পাওথাং য়ৈখি হায়।"
খঙলেদনা রারীসে
হৌজিক্তি কল্পনা

লৈচিলগী নাক্তা পাইশিল্লু,—।
লাইবক থীবা ঐগীদি
চান্নবী কনা লৈজদে
লৈচিন্দা পাউঞ্জেনজনবা
নংনা থোইনা খঙলিগনি !
অহুগী শরুক কল্পনা
নংনা অসিহুম য়েংল্লুচো,—
সমুদ্র ঈপাকথক্তগী
লৈচিন মপৈ মপৈনা
ইনিল ওইনা লাক্লগা
অঙৈংবা চীংশাং নাপোমদা
করম্না নকশিনখিহুনা
নোংজ্ঞা মরিক ওল্লগা
মালেম থক্তা তারকপা,—
রানা লৌবাং শুহনা
কুমগী নোংবু ঙাইরম্বা
থুঞ্জা' ইপা ইপলগী
কবম্না পুক্লিং পেলহনখিবা !
ফরে কল্পনা
হন্নমুক্তিনে
লম্মাংগী তিংথৌ মথক্তা
চীংথোং-চীংয়া নকশিন্না
তপলি তপলি চঙশিল্লু,—,
লম্ফেল পাংকী পাংয়ায়দা
অহৈঙেদা শাংলম্বী
লম্ফেল নারা হায়নবী

লাইগী মচা কৌরম্বী
লম্ফেল লৈরাং লৈহুংশি
লাইবক চাওবী কোম্বীরৈ,—
মীগী মীনিন ভাবদা
অচিকপা মকম থিদ্রনা
ম্নারল পাত্তা লোংখিবা
মতম কুইনগীদমক্তি
মপাম লম্ফেল লমদমদগী
লৈরাং শামায় লৈখিবা,—
লৈরাং মাগী মশুংলাংগী
থম্মোই নৌবী কল্পনা
নংসু ঙাইহাক কল্লম্ম্ !
হুংশিবী !
ওক্লে কপ্পা তোকলোসে
রা অমমুক হায়রগে,
য়েংউ অসে,—
ইলেক্ট্রিক্কী মৈঙাম্না
মচু মচু থাল্লিবা
অন্তরজাতিক লমদমশ্মী
অনোবা যুগকী লম্বীদা
হুংঙাইবা ঈশৈ শক্ত না
নংনা অমুক পাইশিল্ল !
শকহেনবী লীশিং লীশিংনা
নাইট ক্লবকী অহিংদা
বীকিনিবু শেংলগা
জগোই শাবম্ব য়েংলুচো ।

পেরিশকী রাংলবা
আইফেল টাউরার মত্তোন্দা
নংনা ঙাইহাক লেপ্লগা
উরিৎ শঙ্ পাইথোরকপগুম,
পাইথোরক্লিবা কারগী
কুম্মৈ অহু য়েংলুচো।
লণ্ডনগী
পার্কর ষ্টেটতা
গুট শেত্তুনা চৎলিবা
মশা নানবা ভদ্রলোকী
রারী অমুক তারুচো!
পুম্নমক অহু য়েংলুরগা
রাজরবী ইশানৌ
তম্না অমুক হল্লকউ
নংগী পোক্লফম লমদমদা।
ঈমা লৈথাক লৈমগী
মমোম লায়রবী কয়ানা
'কোক্তা কোকথোন পুহনা
মপারী নমদা পোরগা
ম্না কৈথেল মায়কৈ তম্না
তপ্না তপ্না লাকলিবা,—
নোংমগী ফংলকপা শেনদোংনা
মপারী মমোম ময়ামগী
পিক্লবা চাকলেন লাঙথিরা
পোক্লফম মণিপুরগী
লায়রবী ঈমা ঈবেলগী

মতৌ অমুক য়েংলোলাউ !
লোইবী চীংগী চীংচেপ্তা
লাংবন থাগী থায়ায়দা
চীংমী ঈচিল ঈনাওনা
মথুত্তা য়োংপাক পায়ত্থনা
পামগী কাংথুল শেম্লিবা,—
উচান পাম্বী' মরুমদা
লোইবী' ঈচন ময়াম্না
পুনরকপা চযোম থোক্ত,না
অরা পোথানা চারিবা,—
অপাকপা উনা কোন্দুনা
লোক্কী ঈশিং থক্লিবা.—
ঈবৈবাক্কী ঈচিল ঈনাওগী
মতৌ অসি যেংনা য়েংনা
ননীং তৌন' পাইবোলাও
পুন্নমক অদো য়ে'লূবগা
হুংশিবী ঐগী কল্পনা
নংনা উবকপা খূদিংদো
ঐঙোন্দা অমুক তমলোকো।
নিক্লবা ঐগী ঈখুৎনা
কলম তম্না পায়বগা
অমুকস্থ পুক্লিং হবাওনা
থম্মোয় ঈথক হৌহন্না
অমুকস্থ থল্লায় রাজনা
ঈমিংতা ইপি শিন্থনা
অন্তরজাতিক্কী মন্থুংদা,

মীগা মীগা খেন্নবা
থম্মোয়গা থম্মোয়গা খেন্নবা
লৈকোলগা লৈকোলগা মান্নদবা
ময়াম অহানী রারীদো
ইথরগে মথং মথং
অমা—!
অনি—!!
অহুম—!!!

(অভুতারা)

ঈরৈপাক

* * *

জননী জন্মভূমি
পোক্লফম লমদম ঈমা—
ঈমা নংগী লমনদি
শিংঙমলোইদোরি নচা ঐনা।
ঈমা নংবু হুংশিজবদি
পঞ্জবা ঙমদ্রে লৈয়েংসিনা
হায়রুহুনস্তু পক্লরোই;
কনানস্তু থাজবীরোই।
মীওইবগী মীরোল কয়াদা
হায়নখি মীপুম খুদিংনা,—

"কোরৌ নোংমদোম্না রাংবরা
পম্মৌ ইপানা মহেল্লি ;
মালেম লৈমনা লুম্বরা
অপোকপী পলেম্না মরান্মী ;
পলেম পম্মৌনবু হেনবরা
ঈরৈবাম্না মহেম্নী ।"
ঈমা,—
মপোক মপোক খূদিংদা
পোকহনবীয়ুকো নচাবুশু
ঈমাগী মুংশিবা তম্পাক্তা ।
তোম্লবা নচা ঐহাকসু
কাউদ্রিবনিনে অসিমদি —
খোম্লাং লমন শিংদরি
খৌদাং তোম্লি ঈমাগী ।
নচা ঐগী হায়ববু ঈমা—
ঈমিৎকী পিসি মঙায়রে
চম্লবা থরায়সি মঙায়রে
ভক্তিতনা ঙমথৈ ওইরে ।
থম্মোয় শেংনা কখোকচরে
লোশনবীরো থরায় মঙা
শিংঙমদ্রবা ঈমাগী লমন
মসিনবু সকপা য়ারোই ।
পূম্সি চেংজেল লোইদ্রিঙৈ
নিজরমগে অসিমতং
পীনবীয়ু পলেমও !
মপোক মপোক খূদিংদা

মৈরি অমত্তং

মৈরাং ওইনা শাৎলবত্ত
হৈরাং ওইনবু পাল্লবস্নু
চেক্লা ওইনবু পোকথ্রবস্নু —
ইমাগী গুনবু শকচগে
ঈমাগী কোলোয় শোনজগে !
ফিগাও শানা য়াজগে
হাপ্পীয়ুনে পলেমও
নচাগী অরোইবা ভিক্ষাসে ।

—০—

হীংসাকারী নিতি

* * *

(১)

হীংসাকারনা ওৎপদা—

বন্দীগী খোল্লাওনা ঙংলক্লে স্বর্গ-পাটাল অনিদা
লাহ্লোবগী লাল্লাওনা নীল্লক্লে মায়কৈ খুদিংদা
নমথাঁয়রক্লে বন্দী শঙ্, লাউরক্লে হোনা জয়ধ্বনি !

(২)

লোৎখরে অহিংসা রাজ—

নীংতম্বগী ফিরাল পাইদ্রে হন্না অতিয়াদা
কনাগী লাঙ্খল, কনাগী শগোল, কনাগী শাফি-লানফি
ঙন্না তিল্লরে ঙসিদি হীংসাকারগী খুবাম্নুংদা !

(৩)

থোক্লগদবা অরাবগীদমক—

তেক-কায়রবা ফুরা-দলান্না প্র'তধ্বনি তৌরক্লি
মৈচাক খাঙলিবা জিবশিং মিপাইনরি মিংকুপ খুদিং
স্বর্গগী ছুটশিংনা য়েংথরক্লি লৈচিল মরুমদগী !!

মমি

* *

থরান্নগী মিংশেলদা
ময়েক লানা তারম্ব,—
ঐগী প্রেমগী লুরবা মমি—
অয়ুক্কী শিঙ্গারৈ লৈরাংগুম মোমোন নোক্লম্বা
ছমিদাংরাই' ফোনাগুম মায়থোং মকা লান্নম্বা
নোংমগী ঈশাদাং লোইনগা চাইনাক্তুংদা ওইরবমু
উরম্বদো . নোকমি নোকমিনা, অনভা ওইনা,—
চীয়াগী থম্বাল লৈরাংগী
শাৎকায়রবা লৈনাদা,
গির্জাগী শরিক মখোলগী
তান্না লাকপা খোঙ্গেলদা,
যৌবনগী তাংথক্ নাইদ্রবা
হকচাংগী পেন্ন' রাখলদা,
থাঙ্গবাৎ' শিড়ি মনাক্কী
লুবদা থাক লৈরাম্লা,—

লৈরিক অমতং

মতুদস্থু লৈরমত্রে
লোংখ্রে ঙসিদি !
পোদোনগী মঙান্দা উখিবা
রাউরি রাউরিবা শক্তমগুম
থরায়গী মিংশেলদা
থোইনা মমখ্রে, মুশিমুশিখ্রে !

মতম অমদা তারম্মী
ঐগী প্রেমগী শামথ্রবা মমি—

থাজগী অঙ্গংবা মঙান্দা ভোর্ব্বানগী লঙোই মথক্তা
কুইরে কাউখ্রে অঙৈ হুংশি মিতয়্নকপদা
য়াওরম্মীদো অমুক্স, নৌরিবী হুজাগী শমজিরৈদো ।

লমদা থাগী থানিন্দা
শাবী-শানোগী ঈশৈদো
ঈঙেন থাগী নোংহোদা
অমুবা ফিজং মরুমদা
হাঙলবা পাৎকী লাইজদা
থরো থাংজিং হেকপদা
থোইনা হেন্না লারম্মী
তারম্মী তনিক তনিক্না ।

উখিদ্রবা ঐগী প্রেমগী
মোয়োন নোকখিবা মমি—

তারিবরা য়েংলুবা, চীংগোই তুরেলগী ঈরোয়্ন্দা
বোকুল পাম্বী মরুমদা; পুখ্রিগী লুরবা লাইজদা ;
অত্তুবু তারমদরে অরেম্বনি,—মতম কুইনগীদমক্তি
নিরুবা পুখ্রীগী লাইজনা ঐগী প্রেমগী মমিদু
মুৎথৎলমলে হন্না হন্না —উখিদ্রে !

অহুবু ঐদি থাজরুদ্রে
ঐগী প্রেমগী উখিদ্রবা
মোমোন নোকপা মমিহুনা
তারমলি ঙসিস্নু নোকমি নোকমি,—
হোসপিটালগী অচিকপা কা'মদা
নাহে নাহেনা থক্লিবা
অনাবগী হিদাক লিক্লিগী
লুরবা ঈমায় মথক্তা
মরৈবাক্কীদমক থরায় থাবা পাম্মুদনা
বম-ভপ-শঙ্গিনগী
অতুম্বা মতোন খুদিংদা
নোংমৈ পায়হুনা চেনশিল্লিবা
জরানশিংগী অরংবা বেনেট মতোম্দা।
পুন্নি অমতা ওইবা শকওংদা
ঐগী প্রেমগী কোল্লরোইদবা মমি,—
অচৌ-পিশক নাইরবা সমাজগী মতৌ উরগা
মীৎলুদা ঈরা শিম্বুনা উরি।
জেলগী অমম্বা কাচিন্দা অরাবা অহিং লেল্লিবা
লাঙজ্রবা মীশক্তা শেঙ্গাও পায়বা কাঙবুনা
অরানবা শীজিনবিরিবা মহু পুম্বা উরগা
ঐগী প্রেমগী মমিসে মাইথোং লাংশিম্না লেপ্পগুম তৌরি
পুন্সিগী অওনবা নাইরবা
রাখনগী মিংশেল ময়ায়দা
ময়েক লানা তারিবা
ঐগী প্রেমগী মমিসে
মহৌশাগীহু নৎলমদ্রে !

লৈরি অমত্তং

মহাক্তি তারি থোইনা লুনা
চিনবাললগী মচু কোক্লমত্রি
উরি কুইরবগী তুংদা
লেপ্লিবদো মহাক্লা—,

লানগী ঈথেং মরক্তা
হোসপিটালগী ঈগী খুদেংদা
লায়রবগী য়েঙ্গাং তেঙ্গোংতা
বন্দীগী খজাইদা শিন্থরিবা
পিরাংগী লুরবা ঈচেন্দা
অমদি, —
(ভিক্ষারীগী চকু চবোন্দা ।
কুইনগী তুংদা অমুক্ন, উরে—
মহাক্তি তারী নোকমি নোকমিনা
মমা অসোম্বীন।
শিগ্রবা মচাগী মোংফমদা
থম্মোয় শোক্লা চাইজরিবা
লৈ-চগুন মথক্তা !
ও:
আঁসনিকো ঐ
প্রেমগী মমিদো !!

(গ্রুবতারা)

স্মৃতী

* *

চৎকদবা চৎথ্রনি নংতদি লৈহৌগনি
শরৎ থাগী মালিকা লৈমন চন্দুনা কেনখিনি
য়ারল পাংকী কোম্বীরৈ লৈকা চোইনা মাঙখিনি
তাইবঙ অরোৎ-অফোংদা মীওই-পুন্সিসু কেমখিনি
নোক্লা নোক্লা লৈরম্বা কপ্ন কপ্না হনখিনি !
নংদি তুমিন য়েংহনা থোহু নুংগুম লেপহৌনি !

পুন্সি য়ারী কয়াদি অকাউ-পরৈ চনখিনি
মতমগী মুঙ্গায় পরেংনা লৈরোল নাইনা ননখিনি
শাগৎলম্বা মঙলান-ফুরা উফুল ওইনা মাঙখিনি
লেপত্রবা মতমগী ঈচেন্না অমম্বা ফিজ্রং খনখিনি
ঈচেল মাবু খুৎশম্না নংদি চৎমিন্নহৌনি !

কাউরোইদবা লামায়দা নংবুদি ইশনহৌগনি
মুৎপা লৈরোই কৈদৌহুং থোইনা হেন্না লাগনি
যুগ কয়াগী মিংশেলদা নংদি মমি তাহৌনি !

মিংচৎ

* *

থম্বাল ! থম্বাল !
লাইজথক্কী থম্বাল !
ঈরোম্মুংদা পোম্লকপী
ইপাল্লাংনা শাৎলকপী

লৈরি অমতং

কেনা নৌনা শাৎলিঙৈ
তাইবঙ থম্মোয শুক্সৎখিবী
নিনিতগী নপুন্সিদা
মালং শউম ফংলগা
লৈকা চোইনা কেনখিবী !
কেতুকি কেতুকি !
নারক্কী লৈরাং কেতুকি
নাবক মোংশোং মবক্তা
তিংখং ভুম্বৌনা যোমহ্না
তাইবঙ অচৎ অওক্তা
হুংশি' ননম য়েল্লম্বী
নিংঙমদনা কেনথ্রবী !
যৌবন ! যৌবন !
পুন্সি মাগী নিংথৌবেল
শিংলি পাবন খূদিংদা
অপাম হুংশি ঈহৌবক
থম্মোয মকা লাম্লম্বা
পুন্সি মনি ওইবকপদা
করম্নবু মাঙথিবা !
[illegible] !
[illegible] !
[illegible]
ঈনাযথক্কী [illegible] !
নমিং মগিং চিনা যেং
[illegible] শাখিবা
কুনগী [illegible] লাকপদা

কদাইদবু লোৎখিবা ।
অরেম্বনি অবেম্বনি !
মৈতান্না রাখৈগ্রবদা
কনানা কনাবু নীংশিংখিনি,—
পুন্সি মানা লৈবিঙে
মিংচৎকী যুম্বী য়ুংলম্মু
যুগ যুগ খুদিংদা
ওইহৌগমি মহুনা অমব !

পোনগী চেক্লা

* * *

মাগী মশাগী
খপ্পবা অহেনবা শরুকশিং—
মহুতনা মাগী
পাইনবগী মচাক ওইরম্বা ;
ককথৎপিগ্রে ঙসিদি ।
মতম কুইনগীদমক,—
মাগী পুন্সি লেনবা তারি
চেৎনা লোনশনগ্রবা পোনগী
সারং মহুংদা ।
কুইরে তাখিদবা
মপাংশিংগী মুংশিরবা ঈশৈ কয়া
কুইবে উখিদবা

বনগী অশংবা উনা-রানা ।
মতম অমদদি,—
মাস্থ পাইজরম্মী চেক্লা অতৈগুম
অশংবা অতিয়া খেৎনা
চাক্তাজরম্মী লোক্লুং-উমুংদা ।
শরৎ থাবলগী ঈংলবা অহিংদা
মশানৌ তামগ্রবী অহুগা লোয়ননা
মুংশি-ঈশৈ শকমিন্নখিবা
মহাক হৌজিক্তা নৌনা নীংশিংলি !
মহাকী শেংফাত্তবা খোঞ্জেল —
তাইবঙ মীরোল মঙোন্দা তম্বীবহুনা
হৈত-হৈত মপুদা হায়জৈ
" ঐবু থাদোকপিয়ু ঐবু থাদোকপিয়ু !"

* * * * *

অহুবু অরেম্বনি
কোরৌ মশীং য়াম্লক্লে
নোংমতস্থ মাবু মনীং তমহনবীক্লে ।
নোংম-নোংমগী মাগী মসাদো
কংশিল্লক্লে শোঞ্জিল্লক্লে ।
অমুকথকতি নোংমগী অয়ুকতা
রাংলবা কৌবুলিয়াগী মশাদা
মানা উখি তেনরা শঙ্গু পাইরকপা
মখোয় খুদিংনা অঙাংবা লৈরাং কয়াদগী
হরাও হরাও লৈহী থকখিবা
মহাকস্থ তুমিন্না য়েংজহৌই ।
মমিত্তা মপি তরং তরং শিম্বুরহুনা

চিংলগে

মানা কৌজে মপাংশিংবু
"অখায়ফাওদা চঙশিল্লকউ
হুংশিরবা মরূপশা !"
কনানস্থু যারক্তে, হায়রম্মী অথাপ্পদগী:—
"মাই ! মাই !! নংদি নখোঙদা য়োহ্লিং চল্লে
ননাক্তা লাক্লবদি ঐখোয়বুগু ফাখিনি
মাই ! মাই !!"

* * * * *

ঙসিদি মহাক
হমুশল্লক্লে—;
মতু-মমান ঈপোল পোল্লে
তশেংনমক মাগী অরোইবা হুমিংতো
ঙসিদি থুংলরে।
মাগী মমিৎ অনিদা, খকপা লৈতনা
মপি মরিক মরিক শিন্থুরি।
মহাক্কী অরোইবা
শ্বর হোন্দোকপগা লোয়নবা
মানা নীংশিংলি:—
বনগী অশ'বা উনা রানা
থাপ্পা লৈহৌরবী মাগী মশানৌ
মখোয়নিগী মচিন্তনা চেঞ্জহনা শাজবা
মখোয়গী পিক্লবা মহুম
মহুমহুগী মনুংদা লৈহৌবা
মখোয়গী পিক্লবা মরূমশিং !!

(অনুতারা)

লৈথিবা

* *

লৈরাং লৈথিরুগে লৈহী লৈখোম্মুগে
লৈরিক-লৈয়োল্লক্তা লচু লৈথারুগে
কুঞ্জ কুঞ্জদা করম্বা কদমদা
করম্বা কুণ্ডালৈ করম্বা কুশুমলৈ
পোমলিবা শাৎলিবা হাইরিবা হুমলিবা
য়েংলুগে য়েংলুগে চৎলুগে থিরুগে !!
উপাল উনারক্তা উথুমগী উশাদা
উরাং উকোন্না উমুনা উরাউবীনা
মপু মাগী মাঙদ্রবা মিংলৈনবু
হন্না হন্না হরাও হরাওনা
খোংলিবা তায়রিবা শকলিবা শোল্লিবা
তারুগেদা তারুগে য়েংলুগেদা য়েংলুগে !
চীংহুং মাহুং লোক্লুং-উহুং—
অচিকপদা অশুকপদা অরাংবদা অনেম্বদা
লৈশক লৈচু লৈনম লৈতাদ্রিবা
শাৎলিগনি শিংঙেল শাৎলিগনি শৎলিগনি !
অপোম্বগীনা অপোম্বা অশাৎপগীনা অশাৎপা
পোমশাৎনবগীনা পোমশাৎনবা,—
শাৎলবীসু শাৎলম্মু শাৎত্রিবীসু শাৎলমখিসু
লৈকোল লৈকোলদা লৈখোঙ লৈখোঙদা
লাক্লগে লাক্লগে চঙলক্কে চঙলক্কে !
কনানো কনানো করম্বা কুঞ্জদনো

ঙাইবীখো ঙাইবীখো ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো
লৈরাং লৈচনগে লাক-চবনি লাপ্না
পঙলিবা-নৌরিবা পঙদ্রবা তোল্লবা
ঐবুগু পুবিয়ু ঐবুগু তাকপীয়ু।
নখোয়গী নখোঞ্জেল নখোয়গী নখোঙ্গুল
য়েংলগা উরগা তারগা ফংলগা
লৈত লৈতনা লায়রবগীসু লায়রনা
লায়রবগী কলম চেৎনা প্লায়থুনা
তুংইনজগে ঐসু লাপ্না লাপ্না
ঙাইবীখো ঙাইবীখো ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো!

নাপীনা কুপ্লবা মোংফম

* *

অচৌবসু অপিকপসু
লায়রবসু ঈনাকখুনবসু
তুংগী মীরোল ঐখোয়নদি নীংনশি—
অমতনি খেন্নবা লৈতবনি!

× × ×

আগ্রাগী তাজমহল
জমুনা মপান্দা—লৈঙোথক্তা!
লেপ্লি ঙসিসু মোংফমথক্তা মদোম

তাইবঙ অচৎ-অওক্তা লেপ্তুনা পাউদমলি
থম্মোয় অনিগী মুংশি-রাঁরী !
অত্তুবুনে,—
স্পেশ ইরাসিদা
মুংশিবগী মগুনবু করিনোনে ?
করিবু তোংজহৌবগে
রারীনবা নত্তনা !
অরাবনি ইশ্ ঃ
অরা অনং কয়াগী শিংলি-ঈরী লীশিংদগী
ঈ মরিক মরিক্তনা চুপথোক্তনা শাগ্রবা
মীওৎপা, মুংশিখঙদ্রবা নিংথৌরেলগী
মুংঙৌতগী মুংশি-খূদোল,—
মসাগীতা য়েংবদা মসামকপু ঙাওগ্রবা
সম্রাট সাহাজাহাণগী প্রেম চিহ্ন'—
তাইবঙ শীন্না খঙনরি !
অত্তুবু, কনানস্তু খনবিদ্রি
মমতাজ সাহাজাহাণগী মুংশিনবহনা
হেল্লব্রা মুংশিনবা খূদিংদগী ?
চঙখি লুপা লাখ কয়া
রাখি মরাল লৈত্রবা মীচম,—
চহী কুন চুপ্পবু, গঙ্গা-যমুনা ঈরোম্নুংদগী
লৌথৎহনখি তাজ'গী মুংঙৌ ।
থরায় অমবু নীংশিংনবগীদমক
থরায় লীশিংবু মুংশিহৈতনা লাক্লখি
অত্তুগা থোক্লকখি লাক্লখিবগী ফল
"তাজমহল !"

হৈশিংলবা শিল্পীগী খুৎয়েক,
য়েংউনে তাজ, —
কয়াদা নীংথিবনো? কয়াদা শুন্দ্ধৎপনো?
মুংশিত্র? ফজত্র? শুন্দ্ধৎত্র??
শাথিবনিদো বেগম মমতাজগীদমক
রাথিবনিদো মী লীশিং লীশিং,
রাথল চাউবা সম্রাটকী অনীংবা—
"শেল-থ মস্থ মাঙখিনি, পাঙ্গলস্থ লোইখিনি
নীংশিংবনি অমরনি।"
"অনিশুনা নৈবা য়াদে.—
অসিগুম্না ফজবা অসিগুম্না নিংথিবা সম্রাটকী নত্তুনা
ও: ওষ্টাদ ঈশাগী নীংথিবা খুৎয়েকনি
পৃথিবীগী অঙকপা তরেৎকী অমনি।
অদুবু নিংথৌরেল.— তৌগে থনবদা ঙম্বনি,—
মরাল নৈত্রবা ওষ্টাদ ঈশাগী
ককথৎপিখি মখুৎ নামদি
য়েক্লকনি হায়বগীদমক ফজবা মুপ্তি
তাজমহলগুম্বা! মন্তদগীস্থ হেনবা!
ও: পাপ চেল্লবা তাজ—নি!!
অদুবু অমতংদি:—লেনচ নিংঙাই ওইরি ভারতকী
মী নীশিংগা অয়ানবা ওইনা.

× × ×

মমতাজ! সম্রাটকী বেগম মমতাজ!
মমতাজস্থ মানি, তুপানি; ভারত চনুনি।
ফদি ফরানা লোমিদনা নোংমগী চর। তম্নবগীদমক—
অরাবা কোঙ্গায় কাউথোক্তনা

সম্রাটকী তাজ' শানবগীদমক
মকোক্তা পোলাং পুন্থনা খোংথাং হাথু থাংখিবী
রাজশ্রবী লাইরবী সম্রাটকী ম্যাথং ইনখিবী
মহাক্তুন মুপীনি ; ভারত-চনুনি।
থেংষ্ট ভারতকী ঈচিল ঈনাও :—
মাগী মোংফম অসিদ
ঈহাও হাওই করিস্নু লৈতে
মহাকী মোংফম অসিদা
কনানসু শাবীরমদে
নীংশিং-ফুরা অমতা।
নাপীতনা পুন্নফুপ ফুপলি
কোজেং হারোগী শাম্নফম ওইরি
মতমগী ঈচেল মতুংইন
কুইনগীদমক কাউবা ওইরি।
অদুবু হেল্লোই—
নীংশিং-ফুরা নীশিংনা
হুংঙোগী তাজমহল লক্ষা লক্ষানা
নাপীনা ফুপ্নবা মোংফমসিদগী !!

আশা

পুন্সি মানা থমজিন্তৈ
আশাগী ময়োন কংখিরোই

আশা মানা লৈরিবৈ
পুন্সি মাস্তু নোকখিনি ॥
আশাগী হীদেন খোঙস্থুংদা
লৈগী দোলাই নোম নোম তোং
পুন্সিনা জগোয়' মেন হৌরি।
পুন্সগী ম্নুমিৎনা চায়থ্রগা
থাবলনা থারোৎনথ্রগা ;
তঙাং তঙাং শাৎলম্বী
আশাগী লৈরাং লৈম্নুংশি
থম্মোয়' লাইজ ঈরোম্নুং
কনা উদ থঙদনা
লৈকা চোইনা কেনখিনি ॥

মন্দির

* * *

মন্দির
ঐগী প্রেমগী মন্দির—
ঐগী থরায়গী অরোইবা পিতাফম
ঐগী থম্মোয়গী মন্দির !
ম্নুংশি' থুৎশানা—
থম্মোয় শোক্লা তম্নম্নবা প্রেমগী পিণ্ড,
মতনগী লাইজ ঈনোৎনা থেংবদা

কুমওন কুমওন খুদিংগী
মচেৎ মচেৎ কিন্থরক্লবা,—
পিক্লবা থংম্মোয় লাইয়ুমন্থুংদা
ক উদ' দাগফম হক্তুনা
মতম কুইনগীদমক্তি
পোলোয়গী মুণ্ডি ওইনা লৈহৌরবা,—
থরায়গী হিঙ্গোল মহুংদা
পামজবা পেক্রকলৈ লৈরাংনা
চিথেক মরি শম্বল থং —
লৈঙোই লৈচেঙ মথক্তা
পাগী ইপাল লোক্লিবা
ঐগী প্রেমগী মণ্ডির !!
নীংবা কায়রবা কায়রবীশিংনা
মাগী মাগী মাঙথবা থুংশিবগীদমক
প্রেমগী রঙ্গমঞ্চদা
ঐগুম কপ্পবসু য়াওরিবরা ?
নীংথাযরক্লবা মণ্ডির অসিগী .
চাইনা চাংনা তারিবা
চেকশিংবু য়েংজরগা
ঐদি কপ্লি ।
মল্লবা চেক মথক্তা
ঈথুং নিক্লা চাইথোকচরি
রানা থিজরকপা
লৈগী থুজোক থর,—
মসিনা ওইরসমু
পিক্লবা থম্মোয়গী পিক্লা তমজবা

প্রেমগী তর্পণ !
তাইবঙ চিঙ্গাক থাগ্রবী
থৱায় মঙাগী পুন্নফম ওইরবী
মীগী মচা ইবেম্মা !
উবরা য়েংলকউ —
নোংমদোন কোয়রেল থক্তগী :
নং ঐগী
মাগুর অসিগী মন্নুং
কুমওন কয়াগী মমাং —
থাজরব্দো নংনা নোংমা
পিরুবা বক্তি অমতং
নখুৎমক্না চুখৎচরব্দো —
মুৎত্রে !
অদুবু —,
ঐনা ওসি চুখৎলি
মুশি মুশিবা বক্তি অমতংদি
নংনা থাল্লম্বা মফম'সিমক্তদা থাল্লি !
কুইনগী লাইমন মথাকসে
মুৎলরোই ইবেম্মা —
থৱায়গী মন্নবা অলবম মন্নুংদা
কুইনগীদমক্ত লোৎতুনা থমহোরে
নংগী প্রতি মুক্তি !
প্রেমগী লাইরেম্মদা
থুকউ থুদক কুন্দুনা
লৈপুনবীয়ু হায়নবু —,
কুমজা কয়াগী মমাং

নং ঐ নিমিন্নখিবদো,—অঙুগুম ঃ
নিরি ঐনা ঙসিন্ন
লাইরেম্বী থুন্নাদা
মপোক লাংওন অমদা
লৈপুনবীরম্মু হায়নবু।
তখেল্লে নাচোম পীবদা
নোংমা ঐনা নঙোন্দা,
নাপগী শন্নাং পরেংদা
জাতিকুপপী থেৎপদা,
নংনা শোনখিবদো থম্মোয়শোক্লা,—
"লৈ পীবদি থুংনদে!"
ওঃ লুরবা নংগী নমিসে
থম্মোয় লাইয়ুম মথক্তা
চেৎনা চান্না তারিদো—
মাঙবা নাইবা হকচাংবু
মৈতান্না ন্নাখৈদ্রিফাওদি
কৈদোহুংদা মুৎলরোই!
নংগী ঐগী হুংশিবনা
অশেংবমক্তা ওইরম্নবদি
প্রেমগী লাইরেম্বা মহাক্লা
নংবু হুংঙাইনা ৎম্বীসঙু!
থাসি হায়নখিবদো—
নং ঐনা নো মা,
লৈ-গু মথল মথল
মণিরু অসিগী অকোয়বদা;
নংনা পামজৈ হায়খিবদো

তখেল্লৈ, কবোকলৈ, বুঙো, জাতিকুপগী
থারি ঐনা
অমত্তা চিথদনা।
ঐগী ঈথুৎমক্কা রানা থিরুহনা
থারিবা লৈরাং থরসে;
ইবেম্মা,—
নংনদি উথিদ্রে!
নিতি হুমিৎ থুদিংগী
পিগী লাইজ মরিক্কা
চাইজরি কাংথুল পরেংদা:
মকুম মথা নাইদনা
শাংহৌরসনু তাইবঙদা
নংগী ঐগী হুংশিবনা
ওইরম্লবদি অশেংবা!

× × ×

ঐগী ইপুন্সিনা
নোংম নোংমগী লোইশিল্লকপগা লোয়ননা
মণ্ডিরগী চেকশিং অসিসু
নোংম নোংমগী কিম্থগ্রগনি!
নংনা পামজরম্বা লৈরাং থর
থারিবসে ঐনা মণ্ডিরগা অকোয়বদা;
শাবী শানোশিংগী লুহোংবগী পরেংদা
লৈচন চানা চনবা য়াবা
কুঙো লৈরাং য়াওরবসু
ঐনা হেকহনখিবা পানজদে!

অচুবু —,
অসিমতংদি ঐনা পামজৈ :—
"নীংবা কায়রবা কায়রবীশিংনা
মাগী মাগী মাঙথবা হুংশিবগীদমক
থম্মোয় শেংনা লাইরেম্বীগী খুয়াদা
কৎলুনবা নৈচন খিরকপদা
মনীং থুংনা হেকচখিবা !"
ইবেম্মা—
নংনসু মচু পামলোইদরা ??

কুমগী নোং

***

কুমগী নোংনা রা-রা চুরক্লে
থাপনা লাইজ ঈসাও:খাল তারক্লে—
পুখ্রি পাৎ তু খোং খোংলম
ঈনায় চোম্না চাংশৌ পারক্লে—॥
কুইনা লাইজ ঈনৌ ঙাইরম্বী
ইঙাইথকপী চেক্লা নোঙৌবী—
নোংমদোন তম্না চিংন য়েং
কুমগী অনৌবা আমুত য়ারক্লে—॥
শরৎ' থাবল নৈংশিল্লক্লা লোৎখরে
নোংইন চেক্লা থাপ্পা পাইখরে—

নৈকা চোইরবী থম্বাল নৈরাং
থম্মোয় শোক্লা ঈরোম্নুংদা লুপথরে—॥

× × ×　　　　× × ×

হোল্লি লেপ্তনা নৌরেল পায়হনা
পম্নুং থিরিবা তাইবঙ হীয়োইশিং,—
মকুম মথা লোইরহনা
কুমগী নোংনা হনখিবগুম—
হন্নখিনি ভুমিন মথন মথন্নতা
য়োম্নরকপা চেংজেল লোইপ্রবদা॥

প্রিয়াদা পাউদম

(ঐগী শৈরেং লাইরেম্বীদা)

• • • • • •

বম্ তোপ্ লানগী মৈথু-মৈশা—
শগোল-শামু-শঙ্গিন-সাফি-লানফি
পৃথ্বি চেকথায়গদৌবংমখৈ হৌরবা
প্রলয়গী খোল্লাও,—
নত্রগা,—
সমুদ্রগী জ্বার কারকপগী ভংনা লাকপা
ঈশিং ঈথকশিংগী ভুজুংলবা ঈরাওখোল,—
মরুভুমিগী লৈঙোইথক্তা শিংপা অশাবা মুংশিং
মৈগী চীং পোকথায়বগী ভাংশং ভাংনা ইক্লবা

লৈম্নুংদগী কামথোক্লকপা নুংকুপ-নুংজাও,—
নত্রগা,—
অহিং চৎপা ভুট প্রেতকী অকিবা শকফম,
লানগী ময়ায়দা মশম-মনা ইফা ফানা চেনবী
ভৈরবীগী শক্তম লোরবী মায়াবী,—
শাহিং চাবা শা কৈগী কিরবা থোঞ্জেল
— মতুপুম্বা ঐনা কিরুবা লৈতে
ঐনা কিজবদিনে প্রিয়া,—
নংগা কায়নবত্তনি !!

পূর্নিমা থাজগী ঈংলবা মায়থোং,
চীংয়া লৈহাও-লৈরেনগী নীংথিজবা লৈনা,
বনগী মথা ঙাংবা উচেক্কী উনারক্তা থাপ্লবা অশংবা মশা,
বসন্ত নিংথৌগী মচু মচুনা থল্লবা তাউজিং হৈরাং,
থাবল মঙালদা উথিবা তাজগী ফজবা মুত্তি,—
নত্রগা,—
বসন্ত-রাসকী নুমিদাংদা গোপ-গোপীগী জগোই,
লতাকুঞ্জগী হৈনৌ মখোংদা শাথিবা রাহোংগী জগোই,
নুংদাংরাই' মালং' ঈথকশিংদা ফোনাগী নীংথিবা জগোই,—
নত্রগা,
নৌদ-নৌবী গুলাপ-লৈগী হাইদোক্লিবা অনিশুবা লৈনা
অয়ুক্কী জাতিকুপপীগী শাংকায়বদা ঙায়রিবা মায়থোং,—
— মতুপুম্বা য়েংনিংলুদে ঐনা
ঐনা য়েংজনিংবদিনে প্রিয়া,—
নংগী শুদ্ধংলবা মায়থোংত্তনি !!

অথেঙবা অহিং তাংলোদা চীংয়াগী অচিকপা নাপোমদা
'তাম তাম' খোংলিবা তান্নাগী ঈশৈ থাপ্পা লাকপা,—

হুমিদাংগী অথেঙবা য়ুথক্তা লোইবী' চহুরা ময়ামগী
থাপনা তাবা ফৌগু-ঈশৈ,—
নত্রগা,—
মমাওইবী কয়ানা মপারী-মমোম শুম্বদা
তপ্না তপ্না ঙংখিবা হরি-হয়ুম নাউথেমখিবা,—
নোংঙাল্লমদাই' মতমদা থাল-আরতি কৎপগী
তপ্লি তপ্লি খিঙ্লকপা হুংশিরবা কাংশি মখোল,—
নত্রগা,—
হুংশি মাগী মগুংলাং' চেক্লা ওইনা লাংওনথ্রবা
উশা অমদগী উশা অমদা কোয়না কোয়না পাইহনা
পোত্থাববু লৈতনা "পিথাদোই পিথাদোই"
চাক্লা চাক্লা খোংলিবা,—
নত্রগা,—
ব্রজবৃন্দাবন্দুদা নীংথিরবা কুঞ্জ মহুংদা
ঈবুংঙো শ্যামকহ্নাইনা মুরুলি বাঁশী পায়হনা
"রাধা রাধা" খোংলিবা,—

-মহুফাওবা তানিংলুদে ঐনা
ঐনা তাজনিংবদিনে প্রিয়া
নংগী মিরবা খোঞ্জেলহুতনি !!

প্রিয়া,—
ঈনাক্তা নংনা ফমহনা লেঙদমা লৈরবদা
ঐনা শক্তনি ঐগী কবিতাগী ঈশৈ ;
মালেমগী লাইবক্তা বসন্ত নিংথৌনা লৈগী শিন্দুর চাইথায়বগুম
ঐনা চাইথোক্তনি ঐগী কবিতাগী হুংশিরবা কস্তুরি মনম,—
ঐগী ছণ্ডগী ঈপোম নাইরবা ঈথকশিংদা
নংনা শারবদি হরাওনা নংগী প্রেমগী জগোই

ঐনস্থু শাগনি নতুং ইন্দুনা ঐগী কলমগী জগোই,—
নংগী রায়-রায় তাবা শম্নাংগী সুংশিবা চেংহি' মনমদা
শুপ্কৎকনি ঐনা—মহুত্তনা পেনগনি পুক্লিং,—
—অসিতনিনে প্রিয়া
ঐনা পাম্নমবদি !!

'নং+ঐ'

(ঈশ্ববদা)

* * *

নংদি থরায়নি—ঐদি হকচাংনি
নংদি অতিয়ানি—ঐদি চুমথাঙনি
নংদি লম্বীনি—ঐদি উফুলনি !
নংদি,—রাংনা লৈথ্রবা চীংগী চীংদোম্নি
ঐদি,—অনেম্বদা চেনবা ঈচেল মচানি।
নংদি,—ঈমায় চোনবা গঙ্গাগী মায়থোঙনি
ঐদি,—নঙোন্দা তিঞ্জবা জমুনাগী ইরৈনি।
নংদি,—রাংনা হোৗবা বনগী উপালনি
ঐদি,—নেম্না শাৎচবা লোকথাগী উরীনি।
নংদি,—মচুনা থল্লবা বসন্ত নিংথৌনি
ঐদি,—নরুম থুপ্পা খোংজবা চেক্লানি।
নংদি,—যুগ কয়াগী মুত্রবা ময়েক্কি
ঐদি,—কনানস্থু উত্রবা কুপ্লবা বিন্দুনি।

নংদি,—থোঙ্গাল কয়াগী লংলবা মৈরানি
ঐদি,—মুশি মুশিবা নোংজুগী থাওমৈনি।
নংদি,—অহানবা কোরৌগী মেঙলবা মঙাল্নি
ঐদি,—নঙালদা শাৎচবা ভোম্লবা থম্বালনি।
নংদি—ফুইনা হৌরকপা ইঙেনগী নোংজানি
ঐদি,—ঈথৌ লাংলবী নোঙ্গৌবী মহাকনি।
নংদি—ফজবা লৈকোলগী লৈতেংল' লম্বীনি
ঐদি,—লৈখা তারবা খুয়াগী উফুলনি।
নংদি,—তরু-তরুবা শংবাম্নবা অতিয়ানি
ঐদি,—নরুমদা থোকচবা মচু তরেংকী চুমথাঙনি।
নংদি থরায়নি — ঐদি হকচাংনি
নংদি অতিয়ানি—ঐদি চুমথাঙনি
নংদি লম্বীনি — ঐদি উফুলনি!

'পুন্সি লানফম'

* *

তাও তাও!
তাইবঙ লানফম ময়ায়দা লাঙুংলকপা লাম্মীশা
তাজিনলক্তা মৈরক্তা চঙগদবনি চঙশিল্লু
লায়রেকনু লাম্মীশা লানগী লাল্লাউ লাউখৎলু
শাপোৎ-লানপোৎ থৌরাং তৌ, বাজায়-বেঙ্গুল থোঙ্গৎলু
ফিরাল পায়বা থোঙমীশা ফিরাল রাংনা পাইহল্লু!!
+ + +

চেকশিল্লু লাম্মীশা !
মাঙদা থোমজিল্লক্লিবা মশীং থীঙমদরবা
য়েক্ল' লাম্মী মপৈসে থোঙয়াঙলবা তেঙ্গোলনি
হৌথিবা লাঞ্জাও কয়াদা লনেঙমখিবা মথোয়নি
লুচিংলকপা মমিংনা "অপাম্বা" হায়না কৌবনি
লানগী লাম্হোং শীনবদা লাল্লোং হৈবনি
তরাই তগোক্কনুকো মায়থিহনসি "অপাম্বা" !!

× × ×   × × ×

নীংহন্নগনু !
হন্দমুক্তি লাম্মীশা অনৌবা তেঙ্গোল থুংলবে
নোংচূপ হারম পাংবদা য়েংউ লাম্মী য়োরক্লে
"অশাওবা" কৌবা মন্ত্রীনা লানগী লাম্হোং শীল্লক্লি
শগোল শামু পুন্থনা গুরুং গুরুং চেল্লক্লি
লম্বী লমজাও অচৌবা উফুলনা রারা হৌরক্লি ;
তাইবঙ লানগী লাম্হৌবা সেনাপতি "অঙৈংবা"
তেনগী তেঙ্গা থোঙ্গৎলো লীরুং লীরি চনশিল্লো
অচম্বা মন্ত্রী নত্তেকো লায়না ফাবা ঙমলোইকো !!

× × ×   × × ×

এঃ মিৎকুশ নাহম শিংউহায় !
অরাংথংবা মায়কৈদা "কল্লকপা" কৌবা নিংথৌনা
অঙাংব' ফিরাল রাংনা পায় তেঙ্গোল তকথায়রক্লেনা
অনৌবা থৌনা হাপকৎলু থাঙগী জগোই শাগৎলু
লৌশিং চাওবা নিংথৌনি মাঙজোননা চেকশিল্লো !!

× ×   × ×

তেঙ্গোল অহম লোইথরে !
ঙাইহাক শরুক অসিদি শাপোৎ লানপোৎ শেমগৎলু

হন্দমুক লুচিংলকপদি "মিহোবা" কৌবা অথৌবনি
থাংগী-তাগী লানফমদা মপা লৈত্তনা হৈবনি
মশা-মউ খিঙবনি মিৎলৈ-নারৈ শিংবনি
হায়না হায়না য়োরক্লে খুৎলায় পায়রো লান্মীশা !!
তেঙ্গোল মরি লোইখরে !
তারো তরো লান্মীশা ! মুম্না তাওকো খোঙমীশা !
মাংগী লৈকোম্নুংসিদা লান্মী তেঙ্গোল অমা লৈ
হৌখিবা তেঙ্গোল খুদিংদগী মসিনা ঈহেন হেনবনি
নিংথৌমচা 'কাম' না মথোয়গী সেনাপতিনি
তেঙ্গোলসিবু ঙম্ন'দি ঙসিগী লান লোইর'নি
তাইবঙ লান্মী ঐখোয়সে ঈংনা পানবা য়াবনি ।
য়েংউ ! লায়রেক্কনু !! তগোক তরাইগনু !!
অঙৌবা শগোল তোংহনা নঙ্গন্দা তেন্দোং য়ান্দুনা
লান্দারক্লে ফুজিল্লক্লে চেনশিল্লক্লে 'কাম' না, —
ওহঃ অরাবনিঃ
মাঙ থানা চঙখিবা লাঙংখিবা লান্মী খর
'কাম' গী তেন্না পানখরে লৈমায়থক্তা তাথরে —;
মমৈ খোম্বা লাণ্মীশা শগোল শামু পুরকউ
'কাম' বু ফাসি খল্ল'দি মায়কৈ মরি কোয়শিল্লু !
ঙুংঙাইরে ! পেল্লে !!
'ব্রহ্মচারী' মন্ত্রিনা 'কাম'গী মকোক ককখরে
তাইবঙ লানগী লাম্হৌবা লানঙমলবা লাম্মীশা
লাউখৎলু জয়ধবনি !!
হৌনা নিম্না লাউখৎলু অতিয়া শীন্না নিলহল্লু !
বাঝায়-বেঙ্গুন খোঙ্গৎলু শংখ খোঙেল তাহল্লু !!
হৌজিক্তি —,

তাইবঙ লাইরেম্বী ঈমাগী খূযাথাদা চঙজসি
খংকা খুৎকা শম্ননা লৈশি লৈথোল্লুরসি !!

নশুংলাংগী –

চিংলগে লৈয়ি অমতং

(খোর্জ্জে অমগী তেংথাখোল)

***

চিংলগে লৈয়ি অমতং
খঞ্জরম্মী পিক্লবা ইবুকনুংদা !

× × ×

নোংলৈ নুংশিৎকী র, র, লাউবা শউনলক্তা
পাইজরম্মী রাংনা চেরা 'চা অমা—
খভজ'দ্রে মাদি,— খুদোংথিবা মওংদু

উজাও কয়ানা থেরকপগী প্রোক-প্রোক লাউবা মখোলদু
তাখিদ্রি নোংমতম্মু ।

কল্লক-থম্বন,— তাইবঙ মীওইবগী
তাপ-অনুতাপ.— প্রেমিক-প্রেমিকাগী
অতেক-অকায়,— রাথল মপৈ মপৈগী
অঙাংবা-অশংবা,— মচু-মচুগী
মথল-মথল,— চায়থবক্লবা সমাজগী ;
লৈরম্মীনে লৈপুংদো চাউনা থোন্দুনা
কুনশু া শতাব্দীগী শ্যায়চনবা মিৎয়েংদা
মহুনসু হম্বা নত্তে,— পুক্লিংদি ॥

চিংনগে নৈয়ি অমতং
খঞ্জরম্মী পিব্লবা ঈবুকমুংদা
নমলগে বিশ্নু অমতং
নীংজরম্মী নেম্লবা খম্মোয়মুংদা—॥
অদুবু,—
নিকইদা নিকইদা ঈথুৎসে
লাইররবী খোর্জেনিদা !

× × ×

চেল্লা 'চাহু পাইরম্মী
ব্লাংনা অসুম পাইবম্মী,—
নোংনৈ মুংশিৎসু কল্লম্মী
কন্না অসুম হুমলম্মী— ॥
ওহ:
ঐদি মিপাইজৈ
'তাল্লবা জিব মচা,—নংসিবু,
শরগত্র—?
হংখিগত্র—??

'খ্রাইষ্টকী ওল্টারদা'

* * * * * * *

তামগ্রবী লোইবী' ঈচল—
'ঈচল' হায়না কৌরগেকো !
ঐনা 'ঈচল' কৌবদা
শাউগন্নুকো শাউগনবী !

× × ×

চেংলৌ নংগী উখিদবা
চহি কুমওন য়াম্নক্লে
কাইন-ফিজং মরুমদা লেপ্
থম্মোয়নদি নংবু কৌরি !

× × ×

পোক্লমলবদি নং-ঐ
ঈচিল-ঈপ্বা ওইনবু
ঐনা হুংশিনা কৌবসে
খুমলমগনিংকা হন্নাংবা !

× × ×

হুংশি থুংশা তরংবা
হাপখিবদো লৈরাং অং —
কোরৌ শীংবুম কয়াগী মমাং
অহুঙৈদা ঐহাক্না ,
লৈরাং লৈরান চন্দ্রবন্
শীংঙেল লৈশক মাংথ্রবরা
পানজ্রবা শীংঙেল লৈকাদ

ম্রয়েক অমতং ইথিবা
মতমগী উফুল মথক্তা
লৈকা চোইনা তাহনখ্রবরা ?

× × ×

মৈরিতবু থিজবনা
মৈরানবীগী মথৌনি,
থাজতবু য়েংজবদা
মচিঙ্গাক থিবা কাউখ্রবা
য়াঙ্গংলবা নোংইন্না
কুমগী নোংবু উবদা
মপি শিম্থ শিম্থনা
তাইবঙ মপু মঙোন্দা
তত্তনা রাকৎচখিবা
কনানা তাবিখিবা যাওবগে ?

× × ×

মঙলম্মীদো থরাযনা
নংগী মঙলান ময়ামসে :—

X X X

'বারুনীগী হুমিত্তা
শাবী-শানৌ কয়ানা
শিব'-মন্দির চৎপদা—;
লোইবী' ঈচল নহাক্না
পুংঙৌ ফনেক শেংলগা
ইন্নফিবু ইন্দুনা
থৌরবা নংগী লাইবক্তা
চন্দুন পাক্না থিল্লগা :

অঙম্বা চৌংগী লম্বীদা
মুজা খূদাং পায়দুনা
চিংখৎপিগনি খল্লম্মী !

X X X

ওহ. কাউদ্রি ঐদি ঙসিমু
নোংমা নংনা হায়খিবা :—
“থাজদে থাজদে
হন্দক্কী মপোক অসিদা
নংগী ঐগী লৈপুনদি
খ্রাইষ্ট মানা য়াবিদে !”

X X X

মেবা থাগী থাবন্দা
লুশাই চৌগী চৌংথক্তা
পাথং লৈশা মযামগা
ফৌশু ঈশৈ শকপদা,
ফৌশুবনা য়ার' কাল
ফিজিনা হুমাং তৈথোক্ত্না
নংনা শাইহাক ফমজিংঙৈ—;
তাখিদবা খোংখিবদো
অরাপ্পা চৌংযা নাপোমদা
নাইতোম তাবা চেক্লানা
ফূইনা ফূইনা তথক্লা !

X X X

সমাজগী পল ঐনা কিদে,
ধর্ম্মগী রাবী ঐনা তানিংদে,
জাতি-বর্ণ-ধর্ম্ম-সমাজনা

যুগ-যুগ কয়াদগী
মুংশিবগী উইরবা থৌরীবু
থদংপা ঙমখিদে,—ঙমখিদে !

X X X

খ্রাইষ্টকী ওল্টার মথক্তা
লৈ চৎুন থম্লগা,
খৃষ্টমাসকী অয়ুক্তা
জাং তিন্নদবা ঐনা
জাং তিন্নদবী নংগীদমক
অমত্তা ওইবা ঈশ্বরগী মফমদা
ঈখুৎ লোন্নহনা রাকৎচখি—,
অহু খঙলে :—মুংশিবা মঙনি !

× × ×

ওঃ পুন্সিগী লৈয়ি পরেংলক্তা
চিংখিবা লৈয়ি মতেক অমা
হন্না হন্না চামহনসু
মিৎকী পি মরিক্না
ঙমজেদো ঐদি মুৎথৎপা !

× × ×

লুশাইগী চীংচেপ্তা শাৎলকপী
নুঙ্গায়রকী লৈবাকলৈ
পামজবা পাখং নাপদা
চিনগে থন' ফংখিদবা
কল্লকই—কল্লকই !

+ + +

লোইবী চীংগী চীংচেপ্তা

লোক্কী লাইজ ঈপাল লাং
শাৎলুরো শীঙেল হুংশিবী
ঈপোক মপোক তিম্নদে !

× × ×

নংগা ঐগা জাৎ তিম্নদবনা
নংনসু ধর্ম্মবু কিজবনা,
হুংশিহুনসু ঐনা থোইনা
মপোক লাংওদ অসিমগীদি
নংগী হুংশি পোৎলুম পুহুনা
লেহ্লোরবনিদো ঐদি !

× × ×

হয়েংমুক্কী মপোক্তা
নংগী ঐগী থরাম্লনা
চেক্লা ওইনা পোক্লগা
অপাম্বা উশা থন্দুনা
তোংমিন্নশিকো চাম্নবী !
লৈরাং ওইনা শাৎলবসু
কনা' উদবা মফমদা
নারক-উরক মরক্তা
শীংঙেল লৈখোক অমদা
শাৎমিন্নশিকো হুংশিবী !

× × ×

সমাজগী পনবু থিংত্রবা
জাতি-বিজাতি থায়ত্রবা
লৈকাই মীনোক লৈত্রবা
থরায়গী লমদম অহুদা

থম্মোয়গী মপাও তম্নসি
± × ×
থল্লায় অমনা লানথিবা
থল্লায় অমনা ওাক্লসি
মপুগী মিংবু শোন্দুনা
পেল্লা পেল্লা কপলুসি—!!

প্রার্থনা

* *

নংবু ওাইজবদা—
কাউক্লরবনি হৌথ্রবা ইপুন্সি;
নোংদম থিবনি মর্থঞ্জ
নংগী কোলোয় শোঞ্জবদা
কোরৌ শিংবুম কয়া, মসু খঙহোদনা লোইশ্রবনি!
নগুম্ভবু তাবদা চোকথরবা হকচাংনা
থিক্লরবনি তোর্ব্বান কয়া শিংনা
কয়া অমসু কপ্তুনা, পুন্নমক অরেম্বা ওইথ্রবনি!
হুমিদাংরাই শনগানরকপ মতমদা
লৌবুক্কী ফৌনানা ঈশৈ শকপদা,
নংগী নপাউবু হংজরুব—লমচৎপা চেক্লা শঙ্গুদা;—
"তাকপীরম্মী নংদি,—লৌরাংওবলক্তা য়াওহৌই

পামেল শীংজা থিবলক্তা লৈহৌই !"
নোংমনা লাউরম্মীদো —
অহিংগী খোইমু লমলানবনা :—
"নংদি লৈহৌই সেগাযরবা থাংপোকহুংদা
লাইরবী লুপ্রাবীগী চাকশেন য়াওহৌই !"

× × ×

নংবু থিজবনা নংবু ফংঙমদে
রাজরবা ইপুন্সি কেমপ্রসন্ন ঙাইজবদা
তাইবঙদা ফংদ্রবস্নু শোঞ্জবসিতনা পেঞ্জরগে ।
নংগী কোলোয়তবু শোঞ্জবা ঙম্বা
পীনবীয়ুনে থৌনাদি হে দীনবন্ধু !

অচিকপা

* * *

O Solitude !
Where are thy Charms !

× × ×

হে নিদ্রারাণী ! ঐবু শুম্বিথিন্নু—
য়েংজখিগে অহিংসিদা ঙসিগী তশ্বীর !
অচিকপগী মতমবাক থম্মোয়' লৈচল নীথারবা
তাওথপ্রবা লৈনাদা হজন হজন য়েংউবা

'লেমহোরবা মিৎকী লাইজ থরায় পেন্না চাইজবা
অসিতনি রানী, ঐগী ঈথৌ !
হে লাইরেম্বী ! নংগী অঙৈবা দৃশ্যসে
ঐগী তোল্লবা কলম্না করম্নবু থারসিগে ?
চাউরবা তাইবঙগী লোই'নাইদ্রবা রারীশিংদগী
ঐগী ঈমিংনা উহৌবা খরদং
মংগী নমাংদা মিৎকুপ অমতং নীংশিংলি :—
থাবম্না ফরক্লগা লৈ-ঙনা শাৎলক্লগা
ঈয়ায়গী থরোনা তুমিন্না নোক্লগা
নংগী ফিজংহুংদা লৈরিবা তাইবঙসু
নিংথমগী উনাগুম লেঙদনা তারি !
লেপ্তনা তারম্বা মীকপ-মীরাউ
মচা কায়নরবী মমাগী ছিক্লবা খোম্বাং
কদাইদা লৈখ্রে কদায়দা লোৎথরে—
ওঃ পূমনমক নংগী নরুমদা তুমখ্রে !
নংনা তেংবাংহনা ঙসি ঐঙোন্দা
কুইনগী মমাংদা হৌখ্রবা রারী
নীংঙাইদনা চোংথোরক্লে থম্মোয়হুংদগী
লুরবা পীগী মরিক্কা লোয়ননা !
মতমদো—
অঙাং নারা ওইরিঙৈ
লম্পাকী নাপীরক্তা কেকু লোৎলিঙৈ
থম্মোয়গী লৈকোন্দা মালতীনা পোম্লিঙৈ ;
নৌনা পুক্লিংদা মমি তাররি !
কয়া কপথিবা কয়া নোকথিবা,—
সহরগী হুকান্দগী লৈরুবা মার্ব্বল

কৃষ্ণজন্ম খুদিং য়েংলম্বা বল অকান্বী
অমুকী লিল্লাগুম তথল্লা মাঙখরে !
যৌবনগী ঈহৌরকপা থম্মোয় লাইমুম
নীংথু য়ৈবী চাম্রবী' শমলাং
নাপ অনিদা থেংখিবা তথেল্লৈ মাচোম
ঙসিদি ঙমনা হৌনদ্রনা চংথ্রে !
নীংশিংলক্লে, —
মংকী পর্দ্দাব মরুমদা : —
ফুংঙাই য়াইফ কনানা
মশানৌ মাঙদা থাদ্রুনা
শন্ধ্যা অওক ঈশৈদা
কেকু লো কী শারথি —
কনা অমনা নোকমি নোকমি
নৌনা লৈশাং তমললকপী
নিংঙোল ওইবী চম্বরা —
চো না তাবা শমলাংলক
শমজিয়ৈ নাচোম থেংতুনা
হবাও তয়াম চংনথি —!!
কনা অমনা লায়রবা
লোইবী' চম্বরা ওইবীনা
কোরৌ নোংমগী চয়োমপু
মাগী পান্থু চিংনা যেং
উচান পান্বী' মরূমদা
চোইর শমলাং খোমজিনথি !
অমুক য়েন্দা অঙনবা
থুনগী লোমী কাঙবুমা

চয়ৈ কিদি কৌনা লেং
লোবুক মায়কৈ পাংনখি।
ওঃ ঈকাইখিবী, নৌনা মথোক কায়কপী
অগোই' থুংথেক্তা মিংপূ থকখিবী
ভবাবা চিনবাননা থুংশি যোমোমখিবী
হায়বীখীদো মীনদি অগোইশাবী ওক্তবী
কাউওমদরে মহাক ফু, নীংশিংলক্লে।

× × ×

হে নিদ্রারাণী!
নংগী নমাংসিদা হৌখিবা কয়া নীংশিংবা
মিংকী পি তৈথোক্লে।
হৃদমূক্তি খাৰীয়ু মিংকী শিন্নু খাৰীয়ু—
ওসিসিনা হৌথগা কোয়ৌ চুমিং অমদা
নিদ্রারাণী নহাক্না মতম চাদে থনবদা
কোবীরকউ ঐহাকপু কপচাগে নমাওক
কায়নরসি ওসিদি।
বিদাই—, নিদ্রারাণী!
বদাই!
বিদাই। বিদাই!!

নংং+ঐ

(ঐপী শৈরেং লাইরেম্বীদা)

'নং + ঐ'—,
চৎমিন্নমশি ফম্মিন্নমশি কপমিন্নমশি নোকমিন্নমশি
অরাঙবদা অচিকপদা অরাংবদা অনেম্বদা।
'নং + ঐ' —, চেনমিন্নমশি চোংমিন্নমশি
অতোঙবদা অকুৎপদা তোর্ব্বান্দা মোংশোংদা।
'নং + ঐ' পুন্দুনা শকমিন্নমশি ঈশৈ
থাবন্দা থানিন্দা অহিংদম নুংখিলদা!
'নং—ঐ' পুন্দুনা হেকমিন্নমশি লৈরাং
হৈকোন্দা লৈকোন্দা উমংদা রামংদা!
লেংমিন্নমশি পরেং শেম্মিন্নমশি নাচোম
কজবা অথিবা অতেনবা অশাংবা।
ইবানীনা তুমলিংঙৈ অথেঙবা অহিংদা
হান্নবদি নংনা কবিগুম্বা মিৎকপথোকপা
হৌরম্মু ঐবুগু কোয়মিন্নমশি থাবলদা
ইবানীনা তুম্নিঙৈ অয়িংবা তোর্ব্বান্দা
হান্নবসু ঐনা কবিগুম্বা মিৎকপথোকপা
হৌরকে নংবুসু চৎমিন্নমশি লৈচিল্লক্কা!
কুমশী অহানবা লাইজ ঈনৌদা
ঈরুমিন্নমশি ইবানা তামিন্নমশি নোঙ্জোম্বী ঈশৈ!
চিনিচন্দ্রা' নাপদা থোইমুনা চীয়োল তোবদা
'ঙংমিন্নমশি ইবানী ফম্মিন্নমশি লৈথোঙদা

'নং+ঐ'—অমম্বদা, 'নং+ঐ—অঙানবদা ;
'নং+ঐ'—কোরৌমাঙদা, 'নং+ঐ' থাবল্লক্তা ;
'নং+ঐ'—,
হৈকোন্দা লৈকোন্দা ঈমুংদা মপান্দা ;
'নং+ঐ'—,
লৌবুক্তা লম্লাংদা চীংথুংদা মাথুংদা ;
লৈমিন্নশিকো পুন্সিনা লোইত্রিকাঙদা !!

মচু তরেৎকী চুমথাং

••••••

"ইবেম্মা............ !"
তনিক তনিল্লবা থম্মোয়গী
য়াল্লা থোনফমসে করিগুম্বা
তারম্বা থোল্লবদি নহাকম্ ;
নংগীদমক কয়াগী মতিক রাজখিবা
নংগীদমক অচিকপগা মরুপ ওইখিবা
পুম্নমকতু উত্রবম্ নোংমা নত্রগা নোংমদি
নিংশিংবিরকত্র থল্লুবনি
অহবু মহদি থোকত্রে............!
নং তারল্লা রারীদো
হিদিক্তা ললোনবগী,—মত্রি অচাগী

আঃ কুইশ্রবা রাজকুমারশিংগী !
"মুনিগী শাপনা শোয়ারেলগী অপসরামা
শক্তি ওন্দুনা লৈরম্বনু,
মৃগয়া লাকপদা রাজকুমারম্বনা
অচিকপা বনদা থেংনখিবনু !
মুংদাং মুংদাংদি শক্তি অম্বনা
নীংথিরবী কুমারী ওইনা ওরম্বম্ব !
অসুমনা চহি কয়া লেনমিন্নরগা
মাগী শাপকী মতমম্বু কোন্নম্বনা
অপনরাম্বনা হনশ্রবদা সোরারেলগী লৈবাক্তা,
মরায়বক থীরবা রাজকুমারম্বুদি
কয়াগী মতীক রারমগনি থন্নু ।"
"লমথুনু লাব-অমোম্না অচিকপা চীংখুং অন্দা
ঈশিংচাইবী মনাক্তা মহুম শাম্বনা পাজবা,
নুমিদাংরাইগী মতমদা তময়া কোন্নী চেনম্বদা
অমহিক্তি,—বসন্তগী মতমদা
পামেল' ঊশা মথক্তা থাবলগী অহিং কয়াদা
হরাওনা চিন্নোম্নম্বনা মুংশি ঈশৈ শকমিন্নজবা !
নোংমগী কোরো মুমিত্তা শাদানবগী তেম্না থাম্বনা
গর্ভবতী ওইরবী লমথুনু অমোম্না
উশা অমত্তদা তোংমিন্নম্বদগী
লৈমায়থক্তা তাশ্রবদা—.
লমথুনু লাবা অম্বনা
মমিত্তা ঈয়া চেন্দুন চিংন চিংন য়েংবদো
কয়াগী মতিক রারমগনি—থন্নু ।"
নংবু মুংশিজবদা কংহোয়বা অনুতাপ

নংগীদমক্সি খম্মুনা খাওলিবনিদো থম্মোই' মৈচাক !
নোংমতম্ মপুংফানা কৌজখিদ্রি নংগী মিং
লাইমন মখাক পুম্না হৌগ্রবনি মতমশিং
লাইরকোন্দা চাউরবস্ থুংশিববু লৌনমজদে
অচৌ কোন্দা পোকপতনা থুংশিবা মশক থঙবা নত্তে
অহিংদা থুংখিলদা থাবলদা থানিন্দা
অমম্বদা অঙামবদা,—
উরিদো শঙশংনা ঐদি ঈমাংদা :
নংগী শক্তম—নংগী নতৌ
নংনা নোকখিবা,—নংনা শাউখিবা
নংনা ঙাংখিবা—নংনা চৈখিদা,—
আঃ অরাবনি, মতুদা ঐগী লাইনিং ওইরুরবনি !
খল্লে য়াম্না থম্মোয়দা কাউরগে নংবু কাউরগে
ওঃ কাউঙমদ্রে ; কাউবা য়াররোই !
লাক্লিবা থুমিংশিং
খোরক্লিবা অনৌবা থাবলশিং
শাংলক্লিবা তুংগী লৈরাংশিং—,
ঐদি য়েংলি,—ঐদি উরি,—নংস্ উরিগনি !
অওনবা নাইরবা মতমগী কুমওন্দা
তাওথগ্রবা কুইনগী থুংশি রারী
মতম্না পুখিসন্থ মতম্না মাঙহনখিসন্থ ;
কুইনগী থুংশিবন্থ,
চিতাগী মৈথ্ ওলহনখিসন্থ !
থরায়না হকচাংদা লৈরিব'খৈ
ঐদি শোল্লমগেকো ঈচিল অসিদা ;

ঐদি নংবু মুংশিরি,—ঐদি নংবু কাউদরি
ইবেম্মা,—করম্নবু কাওবক্লবা !
অন্থবু, কুইনগী ভুংদদি খঙহৌরে ঐসু :—
অরেম্বনি প্রেম,—ভাইহাক উৎলম্লগা মাঙখিবা
মচু তরেৎকী চুমথাংনি !
আঃ চেক্লা পাইখরবনা
পোম্বী হঞ্জল্লকপদা
চেক্লাগী কাইদোংক্ষম খঙত্রহনা
পোম্বী ককঙাওনরেদো
শাবী ইনেমচা………… !!

ঈপাকসিদা

ভগবাণ !
হন্দমুক্তি হিনাউসে হোল্লক্লেদো ঈপাক ভম্না
লুপখিগদরা লুপখিরোইদরা করিবু থোক্লবগবা
রারেদকো থরায়সে থল্লুবদা ঐহাকতি ।
নোংচুপ অতিয়া পুম্মম-মম্না লাক্লি নোংহুম মপৈ মপৈ
নোংলী মরী মরীনা পাঙবা ঙমদ্রে ঈমিৎসিসু
য়েংথি য়েংথিবা থুদিংদা ঈমিৎকী মিৎলম লীশিংদা
ঈপাকী ঈপাক ঈথকী ঈথক,—অন্থবু ও :
তামনা ঈপাক রাংমদা উরি মৈঙাল অমদি

খুদাং অসি শিথরক্লে পূক্লিং অসি সোম্বরক্লে
য়োজখা ওমনি থাজত্রে থৌজানবীয়ুনে ভগবাণ ॥
ঈথক্তা শিংপা হুংশিংতা পাইবি থল্লায় থক-থক নীক্লা
হিগী হিমায়বু চুমগখরা লাইজ ঈনোংপু ঙাকখরা
লাম্ভোক্লসি লানওমদ হন্দোক্লসি হনওমদ
কয়াম হুইনা কপচখো হায়বা ঈপাকসিদা ঐখু ইদোম !

খোঙদি লোনশিনখ্রে

* *

থোঙদি লোনশিনখ্রে
থাংমৈসু মুৎথৎলমলে
মণিরণী কাংশিসু খিৎখিত্রে
লাই শেবা তৌখসু লৈরমজে !
ঐদি লেপ্লি
থোঙখাদা মপতুনা য়েংলি
লাইমুংদা কমা লৈরিবা
অৈদি থোক্লকপা ঙাইরি !
কোম্রৌ নোংমা চুপ্পবু
ইথুৎনা লৈরাংজক্লবা
লৈরাং খুজোক পুক্লকপা
কদায়,—! কদায়দা কংকনি
থোঙদি লোনশিনখ্রে !

লৈরি অমতং

থোঙ থীন্দুনা কয়া অমা
কৌজরুরে থোঙশঙববু
তাৰ্জরি ইনাকোং থাঙ্গৎতুনা
থুম্নক্কবরা করিগুম্বা
নাশোন পীক্লা !
ও ! তাংলৌ থেঙলে থন্দুনা
খঙলে ঐবু থৌওইবীদ্রে,
লাঙজরকপা লৈ-শু খরা
পুজরকপা ধূপ-চণ্ডণ
মণ্ডিরগী অকোয়বদা চাইজরগে !
ঐনী পুক্নিংনা পামজবা
ঐগী লৈবাং খুজোকসে
কনানস্সু উবীদ্রবসু
নংদি উরনিদো ইবুংঙো !
চৈরে ফিশেং শেংলক্কে
নহাক্কবু শাউরবরা—
পুজাগী পোংলম শুরক্কে
নহাক্কবু ৱারোরবরা—
পাঙজদ্রবা ননাইনি
ঙাকপিয়ুদা ইবুংঙো !
নংদি লৈ হায়বদাই
অতোন অতাগী থম্মোয়দা
নংদি চংলি হায়বদাই
ভক্তশিংগী মনাক্তা !
খঙজরে ইবুংঙো ননাংসু
লাপ্পা নংবু থিররোই !

নংদি লেপলিগনি—
ঐগী 'মাঙদা তূমিন্না
তাইবঙ মায়ানা কূপথ্রবা
ঐগী ঈমিৎ অসিনা
নংবু উদবা ওইরিগনি !
ঈমাঙদা নংবু লৈরি মখঞ্জ—
থমজরে নথুয়া থম্বাল-খাদা
কোরৌ নোংমা চূপ্নবু
কোয়চেল চেন্দুনা লাঙজরকপা
পুজাগী হৈ-লৈ থরসে !
থম্মোয় শেংনা পুজরকপনি
লৌশিনবীগে লৌশিনবীয়ু
লৎনবীগে লৎনবীয়ু
লংজরুবা ইরালগী
নংনা চানবীদবা ওইরিগনি !
নংনা চানবীরক্কদবা মতমদু
কয়াম্নবু ব্রাৎলিগবা—
হন্দক' মপোক্তবু ওইরিগদ্রে
লাংওন অমদবু ওইরিগদ্র ?

ঈথৌ

* * *

(১)

কনানা থিংলি ঐগী লম্বীদা

ঙসিদি লোইনা লম্ কাংকে !

কুইনগী তুংদা লেপথরবা থরায়না

জয়গী অরোইবা ফিরাল থেংকে !

হে ঐগী ভাগ্য বিধাতা

নংনা ঙমলে ঐবু থিংউ

(২)

ঐনা শাগে থনবা শঙ্গাই

শনানা ঈঙ্গি শেংকে !

ঐনা লিঙ্গে থনবা য়ুম্বাল

কুবেরগা লাম্বা পাগে !

ঐগী শিংলিদা মিহুন'মা লৈরিঙৈ

ঐনা ঙাইবিরোই বিধাতাগী নোংদম !

(৩)

উইল কনবা নিপা মুপীনা

লৈখিদে হৈবোং মথাদা হিপ্তুনা !

পিক্তগী পিক্লবা জিব মচাস্থু

চেঙৈ মশাগী মবুক থঞ্জনবা !

ককচেংনা নোম্মী মতমবু ঙাইদনা

কিবীরুদে নোংজু-মুংশা !

থোইমুনা খোম্মী লেপ্তুনা লৈহী

ইকাইবীরুদে লৈরাং অমতা !

(৪)

ঐনা চৎপা ঐগী লম্বীদা

লৈরম লৈরম্বা অথিংবা পুম্বা—

সমুদ্র ওইরে লোইনা শিত্তোক্কনি

মরুভুমি ওইরে তৌথোক্কনি

ঐগী অনীংবা কনানা থিংগনি ??

মতমগী মিৎয়েং

* * *

মিৎকুপ, পুংজা, নোংমা, চয়োল

থা কয়া, চহি কয়া, যুগ কয়া—

য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম!

অচৌবা, অপিকপা, অসোনবা

অকনবা, মথৌনা লৈরবা কয়া—

য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম।

মুনি, ঋষি, ভিক্ষারী, ব্রাহ্মণ

ফমনাইবা অচৌ-অশাং মশাগীতা য়েংবা—

য়েংন য়েংনা চৎখি মতম।

নিংথৌরেল কয়া মতিক মগুণ লৈরবা

মহারানী কয়া মশক মতৌ ফজরবী—

য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম !
লায়রবা কয়াগী শোক্লবা তেংথা
ঈনাকথুনবা কয়াগী সুংশিহৈতবা মিৎয়েং —
য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম !
সমাজবাগী পোলিটিসান হৈশিংলবা
পণ্ডিত, জ্যোতিষ, জ্ঞান লৈরবা—
য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম !
উজ্জয়িনী, মগধ, বিরাট, হস্তিনাপুর
মতমমতুদা লৈরম্বা অকন অথৌগী নতৌ
য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম !

× × ×

হৌখিরা কয়া কাউগ্রবা
লাক্লিবা কয়া মিৎনা উরিবা
খিংবা ওমত্রবা মতমগী ঈচেলদা
তাওথখিনি মিৎনা অমুক্তং কুপ্পদা !

ঈয়ায়গী কোঙাল

••••••

হায়য়ু নহাক থত্তবরা—
থাবুম তরা নাউপুরকপা ভোয়না খোম্লাং ইল্লিবা
তয়া-চইন তম্বীহনা হয়ুম হায়না নাউথোম্লিবা
মাগী হাকন চত্তবদা অরা' কোঙায় কাউরিবা

কোরৌ নেংমা চুপ্পবু শাম্নবদা মথৌ ওইরিবা
মাগী মতৌ উরগা থম্মোয় তনিক তনিকপা,—
থওজ্রবদি হায়রগে,—মহাক্তুনি পিক্লিবা অত্তাং !!

× × ×

হায়য়ু নহাক থওবরা —

শাংকায়রবা লৈরাংগুম মায়থোং থম্বাল লুরিবা
থম্মোই হকচাং অনিমক অনৌবা ময়োন চোংলিবা
মাবু য়েংলু' থূদিংদা পেনবা কৌবা লৈতবা
শিংলি-পাবন থূদিংদা নুংশি ঈহৌনরকপা
থোংল' হকচাং কায়াত্তা কামগী মমি তারকপা,—!
থওজ্রবদি হায়রগে,—মহাকতুনি মথোক কারকপা !

X X X

হায়য়ু নহাক থওবরা—

ঈমাংদা লেপলরবসু চিনবাললা হায়ওমথিদবা
ঈকাই-নুংশি য়াম্না মিংলু মরি চান্নবা
চেংলৌ মাগী নীংশিংনা চিনবাল' মোমোন্নরিবা
য়েংবতনা পেঙ্লোবা থম্মোয় ঈথক হৌথিবা
উজ্রবসু খোয়রাওবা মপাউ মাগী তানিওবা,—
থওজ্রবদি হায়রগে,—মতুসু কোই নুংশিনবা !!

X X X

হায়য়ু নহাক থওবরা—

থাজগী অঈংবা মংালদা থোইনা হেন্না য়াহনবা
কাউগে থনবা য়াথনা নীংশিং মন্না হুলহনবা
মিংলু অনি ইপোম হৌ থূদাং পিকম তৈরিবা
অ-কপা চীংনা তনয়াদা মদোম চিন্না কমহনবা
নুংশিবা ঈশৈ শুরদা পূন্নিং তাশোল ওইহনবা—

খঙত্রবদি হায়রগে,—মহুবু কৌই কায়নবা !!

× × × × × ×

হায়য়ু নহাক খুঙবরা—

শাইনোম্না নিক-নিক হাইহনা দোলাইথক্তা চৎলিবা
লেংমায়বী মতারোই তুমিন্না মতুং ইল্লিবা
বাঝাই বেঙ্গুণ মখোল্দা পুক্লিং হয়াস্তু তুজুংবা
পোকচরকপা পলেম পস্নৌ থাপ্না হন্দোক্লমক্লিবা
মতম কুইনগীদমক্তি অনোবা পলেম্না নাওকোনখিবা,
খুঙত্রবদি হায়রগে, - সহুস্টি মমিংদি লুহোংবা !!

× × × × × ×

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

চোকথরবা মখুত্তা চৈশু পায়হুনা লেপলিবা
খুইথরবা লাইবক্তা চঙণ লংনা থিল্লিবা
হকচাংগী পাজল য়াওত্রবা অঙোবা পোল্লা য়োম্নবা
মীবু পাউতাক পীবনা মাগী মখৌ ওইরিবা
লাইগী নিংবু শোন্দুনা অরোইবা পুংজা ভাইরিবা—
খঙত্রবদি হায়রগে ; মহাক্কি অহল হায়বহ্

× × × ×

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

কনাবু হম্না য়েংলমদ মদোম তুমিন চৎখিবা
মাবু য়েংল য়েংলগা কপ্না কপ্না থাংহোবা
য়োম্নকপা চেংজেল লোইহনা মপাম লমদম পাংখিবা
তোর্বানগী লৈঙোই মথক্তা অঙোবা ফিনা কুপলিব,
খন্নায় য়াওত্রবা হকচাংবু চিতাগী মৈরোদা তিলহনখিবা,
খঙত্রবদি হায়রগে মহুবু কৌই অশিবা !!

হায়য়ু নহাক খণ্ডবরা—

কনা অমনা নোক্লিবা কনা অমনা কপদিবা
মাগী মাগী ৱাথন্দা অমবু অমনা উদবা
অসোনদগী কাঙলুপ্পু অকনবনা ভূহৎপা
ভিক্ষারী ব্রাহ্মণ—শেঙ্গাও পায়বা লৈবা
জিব-জন্তু খুদিংমক পুন্না ৱামিম্নরিবা,—
খণ্ডত্রবদি হায়রগে,—অসিবু কৌই তাইবঙপাল !!

মালংবদা

মম্মোইমুংগী য়ারাসে মালংবা নংনা তম্বীরু
মুক্তা ওইবী মকাদা ৱাহৈ অসি হায়বিরু।
মুংশি মাগী মশুং লাংগী কপহৌই তাকপিরু
লাঞ্জত্রবা থম্মোইগী ৱারী অসি লৌবীরু॥
তামগ্রবী' মনাক্তা অমুক্তা চৎপীরু
লম্লানগ্রবী মহাক্তো করম্মা লেপ্লি য়েংবীরু।
ওইনচাওবী মঙোম্দা অমুক্তা নংনা পাওমেন্নু
অহৈঙ্গী থাবলদো কাওরবরা হংবীরু॥

থম্মোয়গী লাইজ

* * *

পুন্সি মাগী ঈচেল্লক থম্মোই মানা নোরিবৈ
লম্পাক্কী অশংবা নাপীনক উরাউবীবু শান্নবৈ
পাংকী থবো থাংজিংলক হিবু তোংনা চংলিবৈ
নোন নোম মালং শউন্নক ঈকা ওাবু য়েংলিবৈ
মাল্লিকা-মালতী লৈথোঙনদ কেকু তোংপী শান্নবৈ
অনুক্কী লিক্লা মরিককুন ওথক্কবু মাঙথরে !

× × ×

যৌবনগী লাইজ ঈনোয়ক চান্ন' মাগী মমায়থোং
নিংথৌ য়ৈবী শয়াংলক থেংথিবদি শমজিয়ৈ ;
মোইরাং লাইগী লাইশুমাং শাথিবা জগোই অচৈবৈ
থেক-থেক-নোগ-নো পুম্নুম তাবী মথক্কেং—;
মিংলু মরি চান্ননা ঈকাই-খুংশি য়ান্নবৈ
ওইন-ঈরা তৈথোক্লক মিংকী পিরাং থাম্নকবৈ
কুমগী অহানবা নোংহৌশুম নিংঙমদনা হৌথরে !

× × ×

অহানবা কোরৌ চঙগ্রবৈ তুমিদাংরাইবু ওইরকবৈ
পুন্সি মগী খোংচংনা অয়োইবা পুংজা তাইরকবৈ
সন্ধ্যা মৈ খোম্বনা হারিনা নেং-নেং খোংলকবৈ
য়ানা পুঙ্গরক্কবা তাইবঙ চেঙজেল লোইগ্রবৈ
নীংঙমত্রবা থরাই চেক্লানা পামেল থক্তা তোংলম্মী
তাইবঙ মাবু চিংনয়েং ডাইহাক তুমিন কল্লম্মী
পাইথি মশা থপতুনা হন্না মক্ত য়েংলমদে !!

ঐগী কবিতা

• •

ঐগী কবিতা—
ঐগী শৈশক, ঐগী তুর
লাকখিগনি নোংমদি
খোল্লকখিগনি শোয়দনা।
নোংঙাল্লমদাই' লিক্লারক
ঈথক হৌবা থাবল্লক
তাম্নাগী মিরথা খোঞ্জেল্লক—,
য়াম্না ঈংনা তুমিন্না
ঐগী কবিতা লাকখিনি।
চেক্লাগী শৈরোলদা
পোম্বী শৈইনদা
থম্বালগী লৈশাত্তা
অমংবা নোংলত্তা ;
খোঞ্জেলগীনা খোঞ্জেল ওই'
খোন্থোকীনা খোন্থোক ওই'
মচা থায়না লাকখিনি
ঐগী কবিতা খোল্লকখিনি !
কুমগী নোংনা চামথ্রবা
অনৌবা উনাগা লোয়ননা
বসন্ত' য়েন্নিঙ্ মরক্তা
হৈনৌ মপালগা লোয়ননা
মোমোন মোমোন নোকতুনা
ঐগী কবিতাসু লাকখিনি।

অহুবু লাকত্রে—
ঐগী কবিতা লাক্লরোই।
পাংকী মুংশিং মরক্তা
থারিক-থাগী লৈরক্তা
নোরেল থক্তা কম্লিবৈ
ঐনা য়ানা ভাইরিবৈ
মাদি ইনাক্তা লাক্লরোই ॥
পাংপান তোর্বান কয়াদা
লৈঙোইরক্তা নুংলক্তা
ঐদি মাবু ভাইরম্মী······
লাকত্রে·········· · !!
অহুবু নোংমদি,
চোকথরবা হকচাংনা
নোরেলথক্তা য়াতারিবৈ
অঙানবা কোয়ৌ চঙথবৈ
অমথনা শিল্লকবৈ ;
তোল্লবা ঐগী মঙলান্দা
খোংজি-নাচিগী খোঞ্জেলনা
থম্মোই ঈথক হোৎম্না
ঐগী কবিতা লাক্লম্মী
ভম্না ঈংনা তুমিম্না
ঐগী কবিতা খোয়রক্লম্মী !!

লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা

লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা—

লঙজরুবা ইরালদা নংদি ঐবু কাউখরে
লৈবীয়ম্ব ঈনাক্তা নংদি মিংয়েং তামখরে
পাঙজদ্রবা ঐহাক্কি পঙজরিবা ননাইনি
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥

কোয়ৌ নোংম' শিম্বা পাঙ নংবু মীরায়জরুরে
তাইবঙ মাগী থুহ্‌ঃ ইন নংবু নীংশিংলুদরে
অয়োন-অয়ান থম্বীনু লাকপিয়ুদ ইবুংঙো
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥

নংগী কোলোয় শক শোন্না নংগী নপাউ তাইবদা
পুন্সি মানা জগোই শা নংগী তানবু থাবদা
ওইজগেনে ঈথৌদাং মিংকুপ নাহুম থূদিংদা
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥

মিংকী পি মরিক্না শেংদোকচগে নখুয়া খা
নংবু লৈরি মথঙ্গ তগজগেকো ইনিঙ 'খা
লেজগেনে ইপুন্সি নংগী খুয়া খম্বাল খা
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥

অহিং হুংখিল অনিদা নংগী লাইশোল ঈশৈদা
লুপচখিগে ইথম্মোই নংগী থৌজাল' লাইজদা
তোল্লবা ঐগী থোংদাকম থম্বীয়ুদা ইবুংঙো
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥

লিক্লা

* * * * *

ঐদি অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা শাংপী
লৈবাংক্তনি শিঙ্গাইব কৌবী ;
হুংথিলগী হুংশা মঙালদা রাজরবী
থোইনা মিপাইজবীনি তনৌরিবী ।
নাপ'চিক্লা হায়রম্বদো লাকখিগনি হায়না
লোম্না তম্লম্বদো অহিং লিক্লানা
য়েংলিবনি মাবু থূনিঙ্ কাঙহনা
ঙাইহিরিবনি ঐদি রানা রানা ।

× × ×

মায়থোঙ ঈংলবা অহিং লিক্লানা
হায়রি শিঙ্গারৈ' নাপদা চঙহনা :
'করিগী খুইথরি চান্নবী তেকথংলো
তাইবঙ পুম্বদা য়েল্লোনে ননমদো
ঐগী ঈতেংসু লৈচিলনা পাংবীরকই
নংগী নতেংসু ঐনা পাংলগে
অমগী মতেং অমনা পাং
হিংনবনি তাইবঙ কাউগন্নু অপঙবী ।

———

নুংশিবা থিবা

* * *

চিরোন তৌরিবা মালংগী শউমদগী
লৈনম যেল্লিবা পোমশাৎনবী কুণ্ডোঙ্গগী
ঐনা ঙসি নুংশিবা থিরুই!
নোকফেৎ তৌরিবা য়াকচিংগী গুলাপনা
মাগী ঙাংলৈনবা লৈনা হাইদোক্তুনা
কোংদোক্তবা নুংশিবগী প্রমাণ পীরকই!
মুঙক মুবা ঈঙাগী নোংহৌনা
অমুক অমুক মমিৎ থংতুনা
নুংশিশন্নবা হায়বদু কবিনো তম্বীরকই!
উশাদা তোংলিবা খোইনিং লাব-অমোম্না
তোয়না তোয়না চিল্লোক্লহনা
লেঙদবা নুংশিবগী থূদম পীরকই!
মরু লূক্লিবা ফৌগী চরোংনা
ঐবু তপ্না তপ্না কৌরক্লগা
পুন্নমকপু নুংশিযু হায়না তাকপিরকই।

তৎলে

* *

তৎলে তৎলে পরেং তৎলে
চোইনা তারে পুমচাই চাইরে !
নোনা লৈরাংজরুবী নোজরিবী মালিনী
হৈত হৈত লেংলুবী লেংলুরমু হৈরয়োই।
পায়রুরমু অমুক হন্না
লৈরাং খূদিং লৈনা কেল্লে !
কনানবু পামগনি নংগী পরেং অসিদি
মপু' কোনবু য়ৌদ্রিবৈ লৈমন হান্না চল্লনি !
থদংলোদা থদংখ্রো
লৈরাং লৈনম য়াওদ্রেদা !
কনা 'মনা হায়রক্লি নোকমি নোকমি তৌহনা
নোনা লাকপী মা'লনী করিনোনে অতাওবী—
পরেংবু অহুম লেংবরা
য়েংতুন্‌মু অহুম পায়বরা ?
লৈরাং লৈশক খণ্ডনা পরেং লেংগে খৌরাংবা
লৈমন শীংদা চনখ্রগা নংগী নরাল ওইজনি
অসি রাবু তাবদা
মিৎলু অনি তরং-লাং
হায়জরকই কপ্প কপ্পা নোনা লাকপী মালিনী
"ইবুংঙো নঙোন্দা নত্তনা কনাদবু চঙজসিগে.
চাউরবা ঐগী ইরালসে
ঙাকপীয়ু করম নিশিগে ?"

ফংদ্রে

* *

ফংদ্রে ফংদ্রে
ফংঙ হায়নসু তম্রমদ্রে
ফংঙরোই পুন্সিগী থিজহনসু !
ফাইরবা খোঙেলনা তোয়না তোয়না
ফনা কৌজহনসু তাররোই মাদি !
ফজরবী প্রকৃতিগী নৈকোল' চঙলুহনসু
ফংঙমদ্রবা তাইবঙগী থাগৎ-রাহে ফংহনসু
ফংঙরোই ফংঙরোই মাবুদ ফংঙরোই !
ফোংদোক্লি মাগী মগুণবুদি —
ফুগায়না শাংগী রাকচিংগী গুলাপসু
ফজরবী নীংথিরবী গুক্সৎলবী
ফাইরেলগী শকহেনবী পূর্নিমানসু !
ফৈরামক্ত' তোংলিবী [illegible] চক্রাবু
ফাগে থল্লুবগুম [illegible]
ফিজ[illegible] হা[illegible] দ[illegible] না হেৌখ্রবা নাংশিংবগী
[illegible]াংথ্রবা লম্বীদা চংখ্রবগুম ভাইরুবগুম,
ফংদ্রে মহাকপু মকম কৈদসু !
ফংদ্রে ফংদ্রে
ফংঙ হায়নসু তম্রমদ্রে
ফংঙরোই পুন্সিগী থিজহনসু !

লৈরাং শাৎল্লেৎ

ঐগী লৈ কালগী লবঙ্গ লৈরাংশা
শাগৎলু জগোই থেক্লা নৌনা
করিগী শাদনি !

ঐগী হৈকোনগী মুল্লবা হৈরাংশা
হাইয়ু হুন্মু মালং ইপোমদা
করিগী হুমদনি !

লিরিবা মালয়া কাইদ কাইদ হুম্লি
খোইমুস্তু ঙংনা কোয়পাই পাইরি
য়েংঙউ উদয়া মহোশা' খুৎশেম্লি !

ঐগী বণগী মথা ঙাংবা চেল্লাশা
খোংউ খোংউ নুংশিনা খোংউ
করিগী খোংদনি !

লৈকোল [illegible] লৈদ[illegible] শাৎখ্রে
[illegible] ল ইন[illegible]খ্র
শাৎহৌবো মতম হেনখ্রে

[illegible]
ভাও উশাদ[illegible] খে[illegible]
[illegible] লৈবা য়াদ্রে !

লাউ [illegible] কলো লে[illegible]গম্মু লেরা[illegible]
[illegible] পুং[illegible] [illegible]াহনা শাৎখ্রে
[illegible]লো হৌগৎলো থেঙখ্রে

ভাও ভুংলে[illegible] [illegible]

চীংমুংগী ঈরাওখোল নক্লা তারক্লে
নোঙ্জৌবী ঈশৈ শক্লক্লে।
শাৎলরোই থল্লবরা মুংশিথোইবীশা
মতম চাদ্রি থন্দুনা লোৎলিবরা
নত্রগা লোম্না কপ্লিবরা ?
পোমশাৎনবী নংসু শাৎলোগবা কৈদৌবগে
করিগী উনারক্তা লোৎলি তুমিন্না
মতমগী খোইমু পাইরকথিনি।
ঐনদি পাঙল শোনবনা
মতিক চাবা ঈশিং চাইবীদবনা
কংগে থুল্লবরা নপুক্লিংদা !
নত্রগা লায়রবা ঐগী লৈকোম্নুংসে
নমান্নবী অত্তৈ উদে থন
হায়য়ু মুংশুক মুংজানবরা ?
থন্নায়না পামজবা ঐগী লৈরাংশা
পুক্লিংনা পামজবা ঐগী হৈয়াংশা
শাৎলোগবা মুল্লোগবা নখোয়বু
লাইজ রাৎলবা ঐগী লৈরাংশিং
চাইরগে নখোওদা মিৎকী পি
শাৎলু অমুক্তা শাৎলু !
উজাও কয়ানা থনথিহ্না
কংত্রবসু নখোয়না অহিং লিক্লা
থিকথগে ঐগী থম্মোইগী ঈরা !

× ×　　　　× ×

ওঃ থুঙলে, থওলে শাৎলরোই

মালি ঐনা হিংজরিঙৈ
ঈথুংনা থাজবা লৈরাং শাংলয়োই !
অহুদি ফরে,
মালি ঐনা হিংলিঙৈ মতমদা
শাত্রবসু লৈরাং লৈহুংশি
শাংলকউকো তনৌ তনৌনা
ঐগী পুন্সিনা লোইশ্রবদা !
ঐনা শেমজরম্বা লৈকোম্নুংগী
লৈরাং থরসে মতম অমদা
শাংলকসনু তেক্ত-কায়দনা !
মালি ঐগী 'থল্লায়না
নিরমগনি ইথুং লোম্লনা
মপু মাগী খুয়াদা
শাংলু লৈরাং শাংলু !

তাইবঙ খোঙচৎ

* * *

মিৎলম থৎলম্বা থাজগী মঙালসে
লোইখ্রে হৌজিক্তি মুশি মুশিগ্রে
তোঙ্গনা পাইরম্বা নোংইন চেক্লাস্তু
চৎখ্রে চৎখ্রে হম্না পাইরদ্রে !
শান্তি লাইরেম্বী নীত্রা দেবীনা
অচিকপগী ফিজংনা কুপখ্রে তাইবঙ !
লাইজ ঈরোন্নুংদা তুমলম্বী থম্বা ।
মিকপ থোক্তুনা মবুংঙোবু য়েংলক্লে !
থাপনা ঙাঙ্নবা চীংগী মরুমদগী
কোরৌ হনবনা তপনা দোল ই থৌদোরক্লে ।
অমনা লোইখ্রগা অমনা শিনবা
অসিনিদো তাইবঙগী লেঙত্রবা খোঙচতি !

নিজবা

* *

ফংত্রবস্তু নহাকপু ইমিৎসিনা উজবা
ঙমহনবীয়ুনে ঈবুংঙো নহাকপুদি কাউদবা
তুমলে ভুম্না চারে চানা নহাক্তবু থঙবা

ঙমহনবীয়নে ঈবুংঙো নহাক্তনু নীংশিংবা ॥
লৈরাং পরেং লেংহনা চোকথরবা ঈথুংনা
ঙাইজরম্মী লাকবরা করম্বা হুমিত্তা নহাক্লা
বণ উপবণ থৃদিংদা উমং রামং কয়া শাংনা
থিজরম্মী হকচগে নঙকশমদা ঐহাক্লা ॥
কয়ান্নদি রাজনা ঐদি নংবু ঙাইথিবা
নং য়াওদনা পুন্সিসে করন্নবু লেনথিবা
নোংজু-মুংশা মরক্তা ঐনা করম থাঙথিবা
থঙবীথিদে নংনদি ঐনা কয়াম কপচবা ॥
তাউজিং হৈরাং কয়ানা মমুন ফানা মুনথরে
কুমগী নোংহৌ পরেংনা লোইবী চীংশাং থনথরে
থাম্না থোংবী চেক্লাগী শৈহেক শৈরোল তাথিদরে
নংবুতবু থিহনা ঐদি ইদোম লেপহোরে ॥
অশোমদবু লাকবরা লাপ্পা তাম্না য়েংজখি
চারগী পোৎরোল শত্রুনা থোজেল রাংনা কোজখি
নোং-হুংশিং, মরক্তা লাক্লিগত্র থজখি
লম্বী কদোম লাক্লিগবা ঐদি নংবু থিজখি ॥
লাক্লম্বর' ঈবুংঙো থেঙলবা অহিং তাংলোদা
থুত্তা বিনা পায়হনা লেপ্লম্বয়া থোঙ্গালদা
তাহৌদরেদো ঐহাক্তি তৃমথুন হন্না লৈহৌবদা ॥
নিজরগে অসিমতং শীনবীয়নে অরোইবদা
ঐগী পুন্সি' লিলানা তাইবঙ য়াচঙলকপদা
ঈথৌ ঐগী লোইহনা নংনা কৌশিনবীদা
থম্বীথোকো ঐবুসু নথুয়া থম্বাল থাদা ॥

নৈচিঙ্গো নোংজাবী

*** *

হুংশি ঈখৌ লাংলবী
থরায় নংবু নোঙ্গৌবী
থকউ থকউ পেন্না থকউ
মিৎকী পীবু পেন্না থকউ !

× × ×

লাল্লুরবা মিৎলু অনি
কংহনখিন্নু পিগী ঈফুৎ,—

× × ×

লৈপাম্বাবু লাকখিনি
লৈরাং কয়া শাৎলখিনি
মিতারুবা কেতুকী
মাগুম্বদি উররোই........!!

× × ×

ওঃ থম্মোয় !
নংদি রান থিংবোই !
লকাহুংদা লোৎখ্রবী
হুংশি মাগী শক্তমদো !

X X X

কৌবুলিয়া পাম্বীগী মরুমদা নোকমি নোকমি
নম্ভ্রগা,
বোকুল লৈরাং মখোঙদা
ঈকাই-হুংশি য়ান্নবা লেপ্লবদো
উররোইদবনি হন্না, লাল্লুরবনি খল্লোকউ !

শোরারেলগী জগোই শাবী মেনকানা
তথক তথক বিশ্বামিত্রগী লাইনিং থুগায়বগুম
থুগায়রম্মী নংবু তথক্লবী মহাক্না
কাউররোইদবা মায়থোং অঙৌবীদু উত্তুনা।
নংদি থিরি, মাবু কৌরি হৌনা হৌনা,—
মচু তরেৎকী চুমথাঙনা ঙাইহাক উৎলম্লগা মাঙখিব
মাঙখ্রবা মুর্ত্তীবু নংদি কপ্পা কপ্পা থিরি!
ওঃ মাংখ্রসন্নু।
তামখ্রবী চেংলৌনি—কায়খ্রবা মুর্ত্তিনি;
অকায়বা মুর্ত্তিদা হৈথরসি
পীগী গঙ্গা জমুনা।
শন্নাং ময়াম্না মায়থোং শুমহন্না
লেপ্লররোই ঙসিদি;
মুংশিবগী খুৎশা চাম্ম-চাম্মনা
চিংশিল্লরোই নৌনা অমুক ঙসিদি!
কাউঙমদ্রবা পুক্নিং—
নতোমতা ফাজিনজো।
নীংঙমদ্রবা থম্মোয়—
নতোমতা থেমজিনজো!
শন্দোকলুন্নু কনাদা মাগী মিংথু!

× ✠ ×

অদুবু,
কাউরোই হায়বা য়াদেদো—
মরাইবক খীরবা মিৎলু অনিগী
অহানবা মিৎয়েংফম মক্তদা

লাইমণ মথাক পূহোরবা থম্মোকুলী
অহানবা রাথনগী মিংশেল্দা
উরিদো ঙসিস্থ লেপ্লিবসে নোকমি নোকমি—
"মত্তম অমগী অঙোবী মায়থোং ॥

য়াচঙবদা

***

তারমদাই' কোরো মশেল্লা
নোংচুপ চীংয়া ঙাঙ্‌ানগ্রে।
চাক্তারুবা পোম্বী চেক্লী
মহুম মায়কৈ পাংলক্লে।
ঈয়ায়দা পাংগী থম্বালনা
হুংশাথিনা য়েংলক্লে।
হুমিদাং কোয়বা মালংথগু
তপ্না দোলাই থৌদোয়ক্লে।
অচিকপগী ফিজং 'হুংদা
হায়োনা তাম্হা পীরক্লে।
অথাপ্পা খুলোন কাচিন্দা
কাংশি থোজেল তায়ক্লে।
মাঙগ্রবা থৌদোক কয়াস্থু
অময়মতা ওইনা লেপ্লরে মাঙদা॥

লৈথি অমতং

হোঙ্গবা মাঙগী য়াম্নীমু
হোনহনা. লাক্লে তুমিন তুমিন।

মতম ঈচেল মানদি
কনাবু য়েংলমদে হন্না মক্তা
য়াচঙথিবা ঙসিগী অয়ুকসে
হয়েংগী অয়ুক্না শিন্নরনি।

হয়েংগী য়াচঙলকপদা
ঙসিগুম হায়ৌনা খোংলথিনি
খুন্দোনগী কংশি তারকখিনি
হুমিদাংগী মালংবা কোয়্নরকখিনি।

মীওইবগী পুন্সিনা য়াচঙপ্রবদা
মুংঙাইখিবা যৌবন লাক্লরোই!
মকম খুদিং উয়ম্বা
তাইবঙ মিৎয়েং শামপ্রনি!

লোইনবা